শ	শু	ম	০	১	২৮	২০	অচুম্বা তৌরবম্ব অমাঙবা ঙই কায়দে ।
শ	শু	বৃ	০	৩	১৫	০	শামু শগোল অমম্ব' লল ফংই, পুক্কিং নুঙায় ।
শ	শু	শ	০	২	১০	০	মাঙগিবা হনজল্লি, তৌকবদা ঙম্মী, রাখল চাওই ক্ষৈ ।
শ	শু	নৃ	০	৩	২৬	৪০	সুপী, মচা সুঙাইনা লৈ, অমম্বং ফংজৈ, শেল থুম মরাং কায় ।
শ	শু	রা	০	৩	২১	৪০	অরিবা অনাবা হৌরকই, অফা অপ্ন নংই ফত্তে ।

অপ্বা চহী ১ | ১১ | ১০ | (চহী অমগা থা তরামাথোই সুমিৎ তরানি) ॥

শনিগী অনুত্তবা 'রবিনা—

শ	র	র	০	০	১৩	১০	অরা অনায়েক্না পিক 'থলি, রায় ফত্তে।
শ	র	চ	০	০	২৬	৪০	অকি অশঙ্ক, অনায়েক য়েংথি-বনা লাকচৈ।
শ	র	ম	০	০	১৬	৭০	চান থকবা রাত্তে, নংঙায়, ঈরাৎ পূজা কল্লি।
শ	র	বৃ	০	১	০	০	য়াম্না রায়, অশি অনা, য়েং-থীবনা কম্মি।
শ	র	শ	০	০	২০	০	শেল মাঙই, মরূপ কায়নৈ, অনাবা মরাং কায়।
শ	র	বৃ	০	১	৬	২০	মীনা ঈকায় খুমৈ, চিংনদনা তোকবা থুদিং মায় পাকই।
শ	র	বা	০	০	২৩	২০	অপোম্বা, অরুম্নচিংবা মখল মথেলগী অনায়েক ওই।
শ	র	শু	০	১	৬	৪০	পুল্লিং মুংশিবা, থন্নাই রাবা, শেলথুম রাংলি।

অপূর্বা চষ্টী ০।৬।২০ (থা তরুক মুমিং কুল্লি) ।।

শনিগী মনুঙ্গী চক্ক্না

শ	চ	চ	০	২	৬	৪০	থৎনে চৈনগনি কোক মুঙায়তে শেল-থুম য়াংলি কান্নদে।
শ	চ	ম	০	১	১১	৫০	মুঙায়তবা মতম্নি, ছরান চিন্থি- গী মবিদা ঈকায়বা ফংই।
শ	চ	বু	০	২	১৫	০	থবক তৌকবা খুদিং চিংনদনা কান্নবা লাকনি ফেএ।
শ	চ	শ	০	১	২০	০	মথে তাবা, মহুপ মপাং, শেল থুম মাংই।
শ	চ	বৃ	০	২	২৩	২০	অফবা মতমনি, য়েংথিবা অনা য়েক চেল্লি, শেল ফংই।
শ	চ	য়া	০	১	২৮	২০	মহু পাখ্রা জীবদগী, য়েংথিবদগী অকিবা অমম্লং শিবা থই।
শ	চ	শু	০	৩	১	৫০	শেল লাকই, থবক মায় পাকই য়েংথিবা মাঙই।
শ	চ	র	০	১	৩	২০	শেল থুম, ইজ্জৎ ফংগনি, মুঙাইগনি।

অপুম্বা চহী ১।৪।২০। (চহী অম', থা মরি নুমিৎ কুন্নি)

শনিগী মঙ্গুংগী মঙ্গলগী—

শ ম ম ০ ০ ২২ ১৩ ২০ অনায়েক ওই, মীরমদা অনায়েক ওই, শেল মাঙই, অরাবা ওই ।

শ ম বু ০ ১ ১০ ০ ০ হেন্না থোইনা মুঙাইরকই, শামু শগোল, গাড়ীগুম্বা ফংজৈ কৈ ।

শ ম শ ০ ০ ১৬ ৪০ ০ শেল-থুম ময়েং তাবকই, হুরান্বদগী অকিবা ওই, ঘাত্তে ।

শ ম বৃ ০ ১ ১৪ ১৬ ৪০ পোৎ চৈ, নুপীনচিংবা থীবা ফৈ, মুঙাইবা মতম্নি ।

শ ম গা ০ ১ ১ ৬ ৫০ অকিবা, থৎন চৈনবা, নি থোগী লাযথুং ওইগল্লি ফত্তে ।

শ ম শু ০ ১ ১৮ ৫৩ ২০ নুঙাইবা ওই, মুঙাই যাইফবগা লোয়ননা লাই নীংজে ।

শ ম ব ০ ০ ১৭ ৫৬ ৪০ অহাওবা চাবা, লল কাবা অমম্বুং নুঙাইবা মতম্নি ।

শ ম চ ০ ১ ৫ ৩০ ২০ নিংথৌগুম নুঙাইবা মতম্নি ।

অপুম্বা মতম ৮ | ২৬ | ৪০ (থা নিপান, নুমিৎ কুনতকক্লি দণ্ড নিফু) ।

শনিগী মনুঙবা বুধনা—

শ বু বু ০ ০ ২ ২৫ ০ অনায়েক লৈতনা মুঙাই য়াইকনা ইচ্ছংকা লোয়ননা পুক্সি লেপ্লি।

শ বু শ ০ ১ ২৬ ৪০ ০ মক্কপ কায়নবা, থৎনবা পেল্লবগী মতম ওই ফত্তে।

শ বু বৃ ০ ৩ ৪ ২৬ ৪০ য়েংথীবব, ঙম্মী, মুপী অঙাং ফংজৈ, লল থুমস্থ ফংজৈ।

শ বু রা ০ ২ ৬ ৬ ৪০ নিংথৌদগী অকিবা, থৎনবা, ন্ঙায়তবা, শেল মাঙবা ওই।

শ বু শু ০ ৩ ১৩ ৫৩ ২০ মুপী কায়নবা, ব্রাথল লৈতাদবা, কোক ন্ঙাইতবা ওই।

শ বু র ০ ১ ৭ ৪৬ ৫০ কংথোকপা, ধর্ম্মগী থবক তৌবা ন্ঙাইবা ফংজৈ।

শ বু চ ০ ২ ১৫ ৩৩ ২০ ন্পী অঙাং কায়নবা হঙ্গিল্লি, শেল থুম ফংই, ন্ঙায।

শ বু ম ০ ১ ২৭ ১৩ ২০ অনায়েক অমস্থং য়েংথিবনা য়েংশিল্লি ফত্তে।

অপুবা চহী ১।৬।২৬।৪০ (চহী অমা থা তরুক ক্লমিং ২৬নি দণ্ড ৪০)।

বৃহস্পতিগী মনুংদা বৃহস্পতিনা প্রত্যন্তর্দশাগী ফল (অকুপ্পা থোঙচৎ)—

বৃ	বৃ	বৃ	০	৬	২০	৩৩	২০	লমগী মপ্‌তা নত্তনা লন থুম মচা অমম্বং নুপী ফংৈজ ।
বৃ	বৃ	রা	০	৪	২০	২৩	২০	মীনম্বা য়াথোক্, খৎনবা, লম মাঙজবা ওই অৱাবা ওই ।
বৃ	বৃ	শু	০	৭	১০	৩৬	৪০	নুপী অঙাং কায়নবা, য়েংথিনবা, লনথুম মাঙই ।
বৃ	বৃ	ম	০	২	২০	১০	২০	নুংঠইগী নিংথৌগুম খংহৌদনা য়াজা ফংবগুম ওই ।
বৃ	বৃ	চ	০	৫	১০	২৬	৪০	লাই তিন নীংজবা মুঙাইবগী অচাঅথক্লচিংবা তৌই ।
বৃ	বৃ	ব	০	৩	১০	১৬	৪০	লম ফংৈক, মঙ্গল মপাং ফংনজবা নুঙাইবা ওই ।
বৃ	বৃ	বৃ	০	৬	০	৩০	০	লন ফংৈজ, থয়ায় নুঙাইবা নীংবা থুংই কৈ ।
বু	বৃ	শ	০	৪	০	২০	০	থয়ায় লাংতক্লৈ, শেলথুম খয়া মাঙগনি ।

অপূর্ব্বা চহী ৩ | ৪ | ৩ | ২০ (চহী অহুমগা থা মরি হুমিৎ হুমনি দণ্ড কুন ।)॥

বৃহস্পতিগী মনুঙদা রাহুগী অকুপ্পা খোঙচৎ—

বৃ	রা	রা	০	২	২৮	৪০	০	অনাবা, অন্নাবা, থংনবা, অশিবা, লমচৎপা ওই ফত্তে ।
বৃ	রা	শু	০	৪	১৯	২০	০	কোক্না অনাবদি ওই অহূব, শেলথুমদি লাকই ।
বৃ	রা	বৃ	০	১	২০	৪০	০	মপানদগী, য়েংথিবদগী অকিবা, অফা অপুন নংই ।
বৃ	রা	চ	০	৩	১১	২০	০	নিংথৌদগী অকিবা, থন্নায মাঙবা যাবা অন্নাবা মতমনি ।
বৃ	রা	ম	০	২	৩	২০	০	থংনবা, য়েংথিবা, মচীন-থীবা, শেল মাঙবা ফন্নবা মতমনি
বৃ	রা	বু	০	৩	২৭	০	০	অনাবগী লোইবা নাইদবা মতমনি ।
বৃ	রা	শ	০	২	১৬	০	০	মরূপ মপাং ফটৈ, চুঙাই-রকই, রাখল লৈত্তারনই ফগৎলি ।
বৃ	রা	সূ	০	৭	৬	৪০	০	ওইজ ওইথক ফংই, । রাখল নুঙাইরকই ।

অপুন্না চহী ২ | ১ | ১০ (চহী অনি থা অমা নুমিৎ তরানি) ।

বৃহস্পতিগী মমুত্তা শুক্রগী অকুপ্পা খোঙচৎ—

বৃ শু শু ০ ৮ ৩ ৫০ ০ নিংথৌগী লায়না নায়, অ.াগা নংই, শেল মাঙই ।

বৃ শু র ০ ২ ২৮ ৪০ ০ অন্নাবা, রাখল ন.ঙাইতবা, কোক ন.ঙাইতবা ওই ।

বৃ শু চ ০ ৫ ২৭ ২০ ০ নিংথৌদগী অকিবা ফংই, শেল থুম মুপী অঙাং মাঙই, ফত্তে ।

বৃ শু ম ০ ৩ ২০ ৫০ ০ মাঙখিবা শেলথুম থরা হুক্কিল্লি ।

বৃ শু বৃ ০ ৬ ১৯ ৩০ ০ মংং মওংগী মুঙাইবগী পাও লাকই, রাখল ন.ঙাই ।

বৃ শু শ ০ ৪ ১৩ ০ ০ শেলথুম ফংই, শাদোং ফংজৈ, ফৈ ।

বৃ শু বৃ ০ ৭ ১১ ৪০ ০ থবক তৌবা থুদিং কান্নগনি, অফবা মতম্নি ।

বৃ শু বা ০ ৫ ৫ ১০ ০ মতাংসিদা ফত্তে, মথল মথেলগী অন্নাবা মুঙাইতবা ওই ।

অপুন্বা চহী ৩ । ৮ । ১ । ১০ (চহী ৩থা ৮ ন.মিৎ ভরানি) ॥

বৃহস্পতিগী মহুত্তদা রবিগী অকুপ্পা থোঙচৎ—

বৃ	র	র	০	০	২১	২০	০	ময়ুমনবা লৈশিং-অমাদি থরা কাঙবা মতমনি।
বৃ	র	চ	০	১	২০	৪০	০	থৎনবা চৈনবা তৌগনি, চেকশিন্নবা ফৈ, দাও য়াদে।
বৃ	র	ম	০	১	১	৭০	০	লম, শেল, মমল চঙবা পোৎ লেপশিল্লি।
বৃ	র	বু	০	১	২৭	০	০	রাখল ময়ুমনবা পংকিং কুংশিনবা মতম্নি।
বৃ	র	শ	০	১	৮	০	০	ঈকায়খুম্বা ফংবা, অফা অপুন লোক ময়ুমনবা মতম্নি।
বৃ	র	বৃ	০	১	৩	২০	০	য়াম্না ময়ুমনবা চৎনবা মফমদা কোযবা চৎলি ফৈ।
বৃ	র	রা	০	১	১৭	২০	০	রাখল নুংঙাইতবা অহাবা তাবা ওই।
বৃ	র	শু	০	২	৯	৪০	০	থবক তৌকবা খুদিং কাম্নদে ফত্তে।

অপুম্বা চহী ১ | ০ | ২০ (চহী অমা নুমিৎ কুন্নি)।

বৃহস্পাতিগী মনুঙস্া চন্দ্রগী অকুপ্পা থোক্লকং—

বৃ	চ	চ	০	৪	৬	৪০	০	মীংবা থুংই, নুপী অকবা মচা অকবা ফংজৈ, লন্ ফংই ।
বৃ	চ	ম	০	২	১৯	১০	০	লল মাঙই, খুংলায়না শোকই, অকিবা খঙহৌদনা ফংই ফন্ডে ।
বৃ	চ	বু	০	৬	২২	৩০	০	মীনা ঈকায়থুম্নে, রাথল নুঙাই, শেল ফংই ।
বৃ	চ	শ	০	৩	৫	০	০	অম্বাবা নুঙাইতবা ওইদবদা শেল মাঙই, ঈকায়বা নংই ।
বৃ	চ	বৃ	০	৫	৮	২০	০	অফবা থবক তৌই, মচা অফবা ফংজৈ ।
বৃ	চ	স্বা	০	৬	২০	৫০	০	যেংথিনবা য়াম্মে, অনায়েক, অশি অনা কল্লি, ফন্ডে ।
বৃ	চ	শু	০	৫	২৪	১০	০	য়েংথিববু ওম্মে, মায় পাকচে মীনা ঈকায় থুম্নে ।
বৃ	চ	র	০	২	৩	২০	০	শেলথুমদি ফংই অদুবু হকচাংদি কয়া নুঙাইতে ।

অপুম্বা চহী ২ | ৭ | ২০ (চহী অনি থা তরেৎ নুমিৎ কুম্নি)॥

বৃহস্পতিগী মহুৎতা মঙ্গলগী অক্তুপ্পা খোঙচৎ—

বৃ ম ম ০ ১ ১২ ১৩ ২০ লনথুম, লম ফংকৈ, রাখল
মুঙাইকৈ, যাইফৈ ।

বৃ ম বু ০ ২ ১৬ ০ ০ শেলথুম মরাং কায়বতা
নত্তনা ভৌরুবা খুদিং মপা চুমই ।

বৃ ম শ ০ ১ ২০ ৪০ 0 খঙহৌদনা য়েক্লবদগী
অরাবা অনাবা অমাঙবা থইগনি ।

বৃ ম রা ০ ২ ২৪ ১৬ ৪০ ধর্ম্ম ভৌই অফবা মচা,
মঙ্গু ফংকৈ, রাখল মুঙাইকৈ ।

বৃ ম রা ০ ১ ২৯ ৬ ৫০ থবক মাঙবা, শেল
মাঙবা, অশি অনা নই, অফা অপুন নই ।

বৃ ম শু ০ ৩ ২ ৫৩ ২০ ৎোঙহুনা চৎপা যাবা
মখোঙ মবি পাম্বা ফংকৈ, মুঙাইকৈ ।

বৃ ম র 0 ১ ৩ ৪৬ ৫০ লাইনীংকৈ, নিংথৌ৯মই,
ললথুম কায, লম আনৌবা ফংকৈ ।

বৃ ম চ 0 ২ ৭ ৩৩ ২০ নুপী থীগা হৈফ, মণিমুক্তা
ফংকৈ, নুঙাইগনি ।

অপুবা চহী ১ | ৪ | ২৬ | ৪০ (চহী ১ থা ৪ মুমিং ২৬নি দণ্ড নিক্ক) ।

বৃহস্পতিগী মনুঙরা বুধগী অকুপ্পা খোঙচৎ—

বৃ বু বু ০ ৫ ১১ ৩০ ০ য়েক্কবা লৈতনা শেল-থুম
মরাং কায়না পাল্লি নুঙাইজে।

বৃ বু শ ০ ৩ ১৭ ৪০ ০ অরাবা নুঙাইতবা, মতপাম্ব
জীবদগী অকিবা ফংজৈ, লিম্না চিকই।

বৃ বু বৃ ০ ৫ ২৯ ২৬ ৪০ নুঙাইবা পাও ফংজৈ, শেল
মরাং কায়গনি।

বৃ বু রা ০ ৪ ৫ ৩৬ ৪০ লাইথুং ফজবা লাকই, রায়,
মশি অমা নংই ফগে।

বৃ বু শু ০ ৬ ১৭ ২৩ ২০ লাইবক ফৈ, অফবা মফমদা
চংতুনা লাই থুকম্মী, নিংথৌনা চাল্লি।

বৃ বু র ০ ২ ১১ ৭৬ ৪০ মথল মথেলগী নুঙাইবা
ফংজৈ, অফবা মরূপ, মচা অমম্ভুং লল কংই।

বৃ বু চ ০ ৭ ১৪ ৩৩ ২০ অকিবা অরাবা নুপী নুপা
কায়নৈ, রাথল য়াংই।

বৃ বু ম ০ ২ ২৯ ৪৩ ৪০ খুলায়না শোকই, অকা-
অপুন নংই নত্রগা অরাবা তায়।

পুষা চহী ২ | ১১ | ২৬ | ৭০ (চহী ২ থা ১১ নুমিৎ ২৬ দণ্ড ৪০)

বৃহস্পতিগী মনুঙদা শনিগী অকুপ্পা থোঙচং—

বৃ শ শ ০ ২ ৩ ২০ ০ অকিবা, অৱাবা অমস্তুং কোকী নুঙাইতবা লৈ ফস্তে ।

বৃ শ বৃ ০ ৩ ১৫ ৩৩ ২০ মতু মচাগা নুঙাইনা মতম লেপ্লি, শেল পায়গনি হৈ ।

বৃ শ রা ০ ২ ১৩ ৫৩ ২০ খঙহৌদনা অনায়েক তৌহনা শেল মাঙগনি ।

বৃ শ শু ০ ৩ ২৬ ৬ ৪০ নুঙাইতবদগী ফস্তনা থবক তৌই, অমস্তু অফা মপুন নংই ।

বৃ শ র ০ ১ ১২ ১৩ ২০ শেল মাঙবতা নঙনা ফকচাংগী অমাঙনা ওইরকই ।

বৃ শ চ ০ ১ ২৭ ২৬ ৪০ ফকচা নুঙাইরক্কে, ওই-দবা ৱাথোক কয়া থোকই, শেল মাঙই ।

বৃ শ ম ০ ১ ২২ ৪৬ ৪০ থাঙবা ৱাবা, চৈনা থাঙ-দবা ৱাবা মতমনি ।

বৃ শ বু ০ ৩ ৫ ০ ০ থবদি নুঙাইজরে, অঙম্বনা চাম্লে হৈ ।

অপুম্বা চহী ১ | ৯ | ৩ | ২০ (চহী ১গা থা ৯ নুমিৎ ৩নি দণ্ড কুন)।

রাহুগী মনুংদা রাহুনা চাবগী অকুপ্পা খোঙচৎ—

রা	রা	রা	০	১	২৬	০	অরাংবা ফংবা, মুঙাইতবা পাও তাবা, অপোম্বনচিংবা অনায়েক ওই।
রা	বা	ত	০	২	২৮	০	থজিক্লং নুঙাইজে, শেলথুম থরা ফংজে।
রা	রা	র	০	১	২	০	হকচাংদা নুঙাইতবা, রাখল নুঙাইতবা, শেল মাঙবা ওই।
রা	বা	চ	০	২	৪	০	মুপী অঙাং কাযনবা, য়েংথীবনা মপাঙ্গল কম্বা, অকিবা ওই।
রা	রা	ম	০	১	১০	০	রাখল মাঙবা, অরাবনা হেনজিল্লি, অনায়েকম্ব ওই।
বা	রা	বু	০	২	১২	০	অরা-মুঙায পূল্লি, লল ফংই, অহুব রাখল অমসুং হকচাং নুঙাইতে।
রা	রা	শ	০	১	১৮	০	য়েংথিবা মাঙখি, রাখল মুঙাইবকই অমসুং শেল ফংই কৈ।
রা	রা	বৃ	০	২	২০	০	থবক তৌরুবা খুদিং মায় পাকই, নীংবা থুংই অফবনি।

অপুবা চগী ১ | ৪ | ০ (চহী অমগা থা মরি)

রাক্কুগী মঙ্গুংদা শুক্রনা চাবগী অকুপ্পা খোঙচৎ—

রা শু শু ০ ৫ ৪ ০ মখল-মখলগী মুঙাইবা কংজৈ,
রাথল মুঙাই, ঈরাৎ-পূজা তৌজৈ।

রা শু র ০ ১ ২৬ ০ থঙহৌদনা অশি-অনা অফা-
অপুন অরাবা তাগনি ফত্তে।

রা শু চ ০ ৩ ২২ ০ কোক অমম্পুং শিংজিগী অনাবনা
অরাবা অমম্পুং শেল তেকই।

রা শু ম ০ ২ ১০ ০ অরাবা কোকএ, মীনা ঈকায়-
খুম্নি, নুঙাইরকই।

রা শু বৃ ০ ৪ ৬ ০ অরাবা লোয়ে, লল-থুম, সুপা-
পয়সা মরাং কায়রে।

রা শু শ ০ ২ ২৭ ০ লাই-তিন থুরমজৈ, অনায়েক
কোকএ, পুক্কিং ঈংনা লেমে।

রা শু বৃ ০ ৪ ২০ ০ অঙম্বনা চাগ্নি, মুপী অঙাং
অমদি ঈমুং-মম্পুং নুংশিনৈ।

রা শু রা ০ ৬ ৮ ০ য়েংথীবনা য়েংশিল্লি অফাঅপুন
অরাবা তায়।

অপ্‌রা চহী ২ | ৪ | ০ (চহী অমি থা মরি)

য়াম্ভগী মনুঙদা রবিনা চাবগী অকুপ্পা খোঙচং—

রা	র	র	০	০	১৬	০	নীংবা কায়বা, মীনা লাকচবা, মন্ডপ-মপাং কায়নৈ, পুরিং রায।
বা	র	চ	০	১	২	০	পেন্দবা, অৱাবা অনায়েক ওই, লুপা পযসা মাঙগনি।
বা	র	ম	০	০	১০	০	লল, চুর্পা অচাং, শেলথুম লম ফংজগনি ফৈ।
বা	র	বু	০	১	৬	০	নুপা অঙাংগা নুশিনদনা, অৱাবা, মুড়াইরবগী মঙমনি।
বা	র	শ	০	০	১৪	০	কোর্ক অনাবা, থংনচৈনবা, হেংথিনবা অমচং শেল মাঙবা ওই।
বা	র	বৃ	০	১	১০	৮	অনাদবা পূন্নমক হঞ্জিল্লি, নীংবা থুজৈ।
।	র	রা	০	০	২০	০	অনায়েক, অকিবা অৱাবা থঙহৈ-দনা লাকই।
।	র	শু	০	১	১৬	০	পাংথিবগা য়েরে, লল-থুম মাঙগনি।

অপুন্বা চহী ০।৮।০ (থা নিপান)

য়াহুগী মচুঙবা চক্ক্না চাবগী অকুপ্পা থোঙচৎ—

রা	চ	চ	০	২	২০	০	ইমুং-মচুং য়েরুগনি, উনবা য়ারোই, অনায়েক ওইরকনি।
রা	চ	ম	০	১	১০	০	শেল-থুম মাঙগনি, রাথল নুঙাই-রোই, অনা-য়েক হেনগৎলি।
রা	চ	বৃ	০	৩	০	০	থঙহৌদনা লাইবক ফবা ওই, তৌকবদা মমায চুমই।
রা	চ	শ	০	২	০	০	অফা-অপুন থোক্কনি, অরাবা, অকিবা, অমাঙবা ওইগনি।
রা	চ	বৃ	০	৩	১০	০	রাথল নুঙাইবকই, মীনা চাল্লি, মুপী অঙাগা অফবা নফমদা চংলি।
বা	চ	রা	০	২	১০	০	অরা অনা তায়, যেংথী, থংন-চৈনবা তৌই, অনা যেক তৌই।
রা	চ	শু	০	৩	১০	০	লুপা-পযসা ফংজৈ, ইমুং মনুং নুঙাইনা হরাওনা মতম লেপ্লি।
রা	চ	র	০	১	১০	০	অনাবনা যেংথি, নুঙাইবা মথম থঙদে, অকিবা অমাঙবা ওই।

অপুম্বা চহী ১ | ৮ | ০ | (চহী ১গা থা ৮)॥

রাহুগী মন্নুঙবা মক্তলনা চাবগী অকুপ্পা থোঙচৎ—

রা ম ম ০ ০ ২৬ ৪০ ০ হু কাবা খুলায়দগী অকিবা ফংবা, অরাবা, অমাঙবা ওইগনি।

রা ম বৃ ০ ১ ১৮ ০ ০ মমল চঙবা, ত্রোংবা যাবা জীব ১সুং গাড়ীনচিংবা লেপশিনলি।

রা ম শ ০ ১ ২ ০ ০ নুপীগী যৌদোক্তা কিনি-ভায় ওইবা অমাঙবা ঈকায়না ওই।

রা ম বৃ ০ ১ ২৩ ২০ ০ অঙ্কবা থবক ধর্ম্মগী ওইবা তীর্থনা চিংবা চৎলি, অফবা মতু মচাম্ম ফংজৈ।

রা ম রা ০ ১ ৭ ২০ ০ চিংনবা, থবক মাঙবা, শেল মাঙবা, মশম মাঙজবা, অরাবা ওই।

রা ম শু ০ ১ ২৮ ৫০ ০ মথল মথেলগী অপাম্বা পোং ফংজহনা য়াম্না হুডাইনা মতম লেল্লি।

রা ম র ০ ০ ২১ ১০ ০ লম ফংই, শেল ফংই, মমল চঙবা পোং লেপশিল্লি ফৈ।

রা ম চ ০ ১ ১২ ৪০ ০ ইমুং-মসুং, মরূপ-মপাং, মরী মতাগা নুংশিনৈ, হুডাইবা ওই।

অপুবা চহী ০।১০।২০।০ (থা ১০ সুমিং ২০নি)।

রাকুগী মনুঙদা বুধনা চাবগী অকুপ্পা খোঙচৎ—

রা	বৃ	বৃ	০	৩	১২	০	পুক্রিং নুঙাইতবা, অশি-অনা অৱাবগী মতম্নি, শেলম্মু মাঙই।
রা	বৃ	শ	০	২	৮	০	মথল মথলগী অনাবা, অৱাবা, পেন্দবগী মতম ওই।
রা	বৃ	বৃ	০	৩	২৩	২০	লন-থুম, অফবা মুপী অঙাং ফংজৈ, মতম মুড়াইনা লেনগনি।
রা	বৃ	রা	০	২	১৯	২০	ওইরবনা অওইবা শাহুনা অফা অপুন, অৱাবা তাহল্লি।
রা	বৃ	শু	০	৪	৪	৪০	ধর্ম্মগী ওইবা অফবা মফমদা থবক তৌই অমম্মুং কোয়জৈ।
রা	বৃ	র	০	১	১৫	২০	তৌরুবদা মঙ্গল ওই, নুঙাই য়া ফবগী মতমনি ফৈ।
রা	বৃ	চ	০	৩	০	৫০	খঙহৌদনা অশোক-অপন থোকই রাহল্লি গ্যেকশিনবিয়ু।
রা	বৃ	ম	০	১	২৬	৭০	পয়স লুপা মাংগনি, অনায়েক্পা মপাঙ্গল কল্লি ফাত্তে।

অপুম্বা চহী ১।১০।২০।০ (চহী ১গা থা ১০ নুমিৎ কুন)।

রাহুগী মনুঙদা শনিনা চাবগী অকুপ্পা খোঙচৎ—

রা শ শ ০ ১ ১০ ০ গুরুবীগী মনাক্তা হুৎাইনা হরাওনা মতম মাঙহল্লি, মশাদি পেনজে।

রা শ বৃ ০ ২ ৬ ৫০ মচ-নুপা ফংজে, দান খুম্ন তৌই, তীর্থ চংল।

রা শ বা ০ ১ ১৬ ৫০ মথল-মাংগলগী অরাবা ওই কেক্কী অশাবনা হাইল্লি।

রা শ শু ০ ২ ১৩ ২০ বাম্নবা য়াম্না ফংএ, নুপী মচা মশুগা নুঙাইনা মতম লেন্নি।

রা শ র ০ ০ ২৬ ৫০ মঙৈ মঙংগী অনাবা, বেক্তা নুঙইতবা ওই যাগে।

রা শ চ ০ ১ ২৩ ২০ মুপী রায়, অশি হনা থোকই নএগা হুবাদগী ওকিবা ও

রা শ ম ০ ১ ৫ ২০ যাম্না রাবা. অশোযবা. থুদক্তা ওকিবা ফংবা শোকপনবা ওই।

রা শ বু ০ ১ ০ ০ দশা লেল্লে, লোকবা খুদিং লাকচবগনি, নুংাইদ্রে।

অপুন্না চহী ১ ১ ১০ (চহী অমা থা অমা নুমিং ও

ব্রাহ্মগী মনুঙদা বৃহস্পতিনা চাবগী অকুপ্পা খোঙচৎ—

ব্রা বৃ বৃ ০ ৪ ৬ ৪০ ০ পাঙ্গল কল্লে, অফবা মফম কোয়হুবে, থবক খুদি, মঙ্গল ওই।

ব্র বৃ বা ০ ২ ২৮ ৪০ ০ খৎনৈ, য়ংথি, য়েক্রদনা ব্রাহ্মজম্রি যত্তে।

ব্রা বৃ শু ০ ৪ ১৯ ২০ ০ য়েংথিবগী মীচে য়াশ্মী, নুপী কায়নৈ, শেল মাঙই।

বা বৃ ব ০ ১ ২০ ৪০ ০ পেন্দবদগী মুম থাদোকই, কোক মুঙাইনে, মিংমদা অব্রাবা ওই।

বা বৃ চ ০ ৩ ১১ ২০ ০ নুপী হুঞ্জিল্লি, তৌরুবা খুদিং ওমজৈ, অফবা মতম লাকই।

ব্রা বৃ ম ০ ২ ৩ ২০ ০ য়েখিবব ওমজৈ, মায় পাকই, মুঙাইবগী মতমনি।

ব্রা বৃ বু ০ ৩ ২৫ ০ ০ কান্নবা ফংজৈ, তৌরুবা খুদিং ওমই মুঙাইবনি।

ব্রা বৃ শ ০ ২ ১৬ ০ ০ শেল য়াম্না মাঙই, মথল মথলগী অব্রাবা অনাবা, ওইরকই ফত্তে।

অপুবা চহী ২।১।১০ (চহী ২ থা ১ নুমিৎ ১০)

শুক্রগী মনুঙদা শুক্রন চাবগী অকুপ্পা খোংচং –

শু শ্ শ্ ০ ৮ ২৯ ৩০ ০ শেলথুম, মুপী, হোংদুনা,
চংপা য়াবা পোং, ইচ্রেং, ধন্ম ফংজৈ।

শু শ্ র ০ ৩ ৮ ০ ০ থবক মাঙই, শেল মাঙই,
অৱিবা ওই, অফা অপুন নংই।

শু শ্ চ ০ ৬ ১৬ ০ ০ থবক মাঙজবতা নত্তনা
থৱায ৱায় ৱাথল পিকশিল্লি।

শু শ্ ম ০ ४ ২ ৩০ ০ অনৌবা থৌনা লাকই,
লম, শেল-থুম ফংজৈ ফৈ।

শু শ্ বৃ ০ ৭ ১০ ৩০ ০ নুঙাইবগী মতম্রি, পুন্সি
গী হুঙাইবগী অথ হোংঙকই।

শু শ্ শ ০ ৭ ১৭ ০ ০ মায পাকই, মরূপ-মপাং
য়ামই, মীনা মশক খঙই য়াম্না ফৈ।

শু শ্ বৃ ০ ৮ ৫ ০ ০ অঙম্বনা চাল্লি, মশক
খঙই, মচা-মশু, মুপী অঙাং ফংজৈ।

শু শ্ বা ০ ৫ ২১ ৩০ ০ ঈশ্বাযবা ফংই, অৱাবা
অনাবা, নুঙাইতবগী মতম লাকই।

অপুৰা চহী ৪।১।০ (চহী মগিগা থা অমা)

শুক্রগী মনুঙদা রবিনা চাবগী অকুপ্পা খোঙচং—

শু র র ০ ০ ২৮ ০ ০ অনাযেক থোকই, মকপ বাহৈল, শেল মাঙই, মতমসি শোংদে।

শু ব চ ০ ১ ১৬ ০ ০ যংবিনা যাম্মী, অনাযেক কল্লি, অরাবা তায।

শু ব ম ০ ১ ৫ ০ ০ অড়ম্বনা চাল্লি, পুরিং চাং-খংলি, মণি মুক্তা সনা ফংজে।

শু ব বু ০ ২ ৩ ০ ০ অফা-অপুন নংই, খংনচৈনবা ভেনগংলি, ফংজে।

শু র শ ০ ১ ১১ ০ ০ কোক্কো লেনা ওইবকই, অশি অনা ওইরকই রায।

শু র বৃ ০ ২ ১০ ০ ০ অকবা থবক তোই, লাইফম চংলি, শেল, মচা মশু ফংজে।

শু র রা ০ ১ ১৯ ০ ০ অরাবা তায, অচৌবা অনা-যেক ওই অরাবনি।

শু র শু ০ ২ ১৭ ০ ০ মথলমথলগী কান্নবা ফংই, নুঙাই য়াইফবগী মতমনি

অপুবা চহী ১।২।০ (চহী ১গা থা ২)।

ওকপী মঙ্গুংবা চঙ্গনা চাবগী অকুপ্পা খোঙচৎ —

শ. চ চ ০ ৪ ২০ ০　থবক, মুপী অঙাং, লুপা পয়সা মাঙই, ফজবা ওই ।

শ. চ ম ০ ২ ২৭ ৩০　অনায়েক, অকা অপুন, শেল-থুম মাঙই ।

শ. চ য. ০ ৫ ৭ ৩০　মমল চঙবা পোৎ ফংজৈ, মুঙায়বা মতমনি ।

শ. চ শ ০ ৩ ১৫ ০　থৎনাচনবা ভোয়, অকিবা নংই, অকা অপুন নংই ।

শ. চ ব ০ ৫ ২৫ ০　ঈকায় খুম্ন, নিংথৌনা চাজে, অকবা নুপী অঙাং ফংজৈ ।

শ. চ রা ০ ৪ ১ ৫০　অনাবা অচৌবনা নাগনি, অৱাবা অশিবা নংই ।

শ. চ শ. ০ ৬ ১১ ৩০　অৱাবা লেজে, শেলথুম মবাং কায, মুঙায়রে ।

শ. চ র ০ ২ ১০ ০　নুংশিনৈ, সম্মান ফজৈ, মুঙায়-বগী মতমনি ফৈ ।

অঃ চহী ২।১১।০ (চহী অনি থা ভরামাথোয়) ।

শুক্রগী মনুংদা মঙলনা চাবগী অকুপ্পা খোঙচৎ—

শু	ম	ম	০	১	১৬	৪০	০	শেল, লম, মরূপ অফবা, খুত্তায়বা ফংজে।
শু	ম	বৃ	০	২	২৪	০	০	মথল মথলগী থোনা লাকই খুত্তায়, শেল মরাং কায।
শু	ম	শ	০	১	২৬	০	০	লল মাঙই, খংনা-চৈনবা করি, অকা-অপুন নংই।
শু	ম	ম	০	৩	৩	২০	০	মমল চঙনা পোং ফংজে, অফবা মচা ফংজে কৈ
শু	ম	বা	০	২	৫	২০	০	অশি-অনাদগী চোকশিন-নিগানি, শরাবা তাগনি।
শু	ম	শু	০	৩	১২	৪০	০	লল কাখংনি, বৃদ্ধি চাথংনি, ফগনরে।
শু	ম	র	০	১	৭	২০	০	অশি অনা লেপ্লে, মরূপ মপাং অফনা ফংজে, ফগৎলে।
শু	ম	চ	০	২	১৪	৪০	০	অনা-যেক কোকএ, লুপা পয়সা মরাং কায়রে।

তাং চহী ১।৬।১০।০ (চহী অমা থা তরুক মুমিং কুন)

শুক্রগী মন্নুংদা বুধনা চাবগী অকৎপা খোঙচৎ—

শু বু বু ০ ৫ ২৮ ৩০ ০ কায়নবা মরূপ ফংনৈজ, শেল-থুম থুজায়, মরাং কায়।

শু বু শ ০ ৩ ২৯ ০ ০ লায়না চংদকই, খৎল-চৈনবা হুণ্ডাযতবা ওই, মীরমদা চংলি।

শু বু বৃ ০ ৬ ১৮ ২০ ০ লুপা পয়সা, সুপী অঙাং, ধর্ম্মগী থবক তৌই নৈ।

শু বু মা ০ ৪ ১৮ ৫০ ০ লল ময়েং তারকই, অনা-য়েক য়াওরকই, মীরমদা চৎলি রায়।

শু বু শু ০ ৭ ৮ ১০ ০ নিংথৌনা চাল্লি, ঈকায়-খুইরে, হুণ্ডায়, মচানিপা ফংনৈ।

শু বু র ০ ২ ১৯ ২০ ০ লাইবক নৈ, তৌরুবদা মাথ পাকই, হুণ্ডায়নৈ।

শু বু চ ০ ৫ ৮ ৪০ ০ অরাব ·ই, ·না-য়েক য়েং-থিবনা বাহল্লি, দশা ফংগে।

শু বু ম ০ ৩ ৯ ১০ ০ য়াম্না রায়, অনায়েক, ১সুং অশি-অনা নংই।

অ· চহী ৩।৩।২০ (চহী অহুম থা অহুম সুমিং কুন)।

ভক্রগী মসুংদা শনিনা চাবগী অকুপ্পা থোঙচৎ—

ভ শ শ ০ ২ ১০ ০ শেলথুম, মরূপ মপাং ফংই,
নুঙাযবা মরাং কায়রে, নুঙায়রে।

শু শ য় ০ ১ ২১ ৪০ ঈমুং মনুং নুঙায়না পুশি
লেল্লি অফবা মচানুপা ফংজে।

শু শ স্না ০ ২ ২১ ৫০ লল মাঙই, অনায়েক, অশি-
বগী পাও য়ায়, রায়।

শু শ শু ০ ৫ ৮ ২০ লল ফই, মরূপ ফংজে,
নুঙায়বা মংলনি।

শু শ র ০ ১ ১৬ ৯০ মীংডোন্দগী নিজুনা চায়, থরায়
নুঙায়রে, অরাবনি।

শু শ চ ০ ৩ ২ ২০ মতু মচা কায়নৈ, অনাযেক
ওই, কোক নুঙায়রক্কে।

শু শ ম ০ ১ ২৮ ১০ অপোম্বনা অনায়েক ওৌই,
চত্রগা অকিবা অমসুং শেল মাঙই।

শু শ বু ০ ৩ ১৫ ০ অতপা ওইরে, অকিবা লৈতনা
নুঙায়না লেপ্পি

অ' চহী ১।১১।১০ (চহী অমা থা তরামাথোয় নুমিৎ তরা)।

শুক্রগী মনুংদা বৃহস্পতিনা চাবগী অকুপ্পা খোঙচৎ-

শু	বৃ	বৃ	০	৭	১১	৪০	০	মতু মচাগ। লোয়নন। মীনা ঈকায় থুম্মনা পানজৈ ফৈ।
শু	বৃ	রা	০	৫	৫	১০	০	অরাবা ওইবকই, অনায়েক্কা শেল মাঙই ফংতে।
শু	বৃ	শু	০	৮	৩	৫০	০	শেল থুমজা নক্তনা ঈমুং মনুং তিনবা য়াদে।
শু	বৃ	র	০	২	২৮	৯০	০	চেমদনা থবক পাঙথোকই, শেল থুম ঈরুং ফংজে।
শু	বৃ	চ	০	৫	২৭	২০	০	অফবা লুপী অমসুং লল ফংজরবসু অনায়েক কল্লি, চোকশিল্লু।
শু	বৃ	ম	০	৩	২০	৫০	০	য়েংথিবা লৈতে, লম ফংজৈ নুঙায়জে।
শু	বৃ	বু	০	৬	১৯	৩০	০	অচপা ওই, লৌকবা থুদিং মায় পাকই, শেল ফংজৈ।
শু	বৃ	শ	০	৪	১৩	০	০	শেল মাঙই, অরানা তায়, ফত্তবা পাও তায় নুঙায়তে।

অং চহী ৩।৮।১০ (চহী অহুম থা নিপান মুমিং তবা)।

শুক্রগী মনুংদা রাহুনা চাবগী অকংবা খোঙচৎ—

শু বা বা ০ ৩ ৮ ০ হানায়েব, সরাব। নংই, মীবমদা
চংলি ফাত্ত।

শু বা শু ০ ৫ ৪ ০ [illegible] মন[illegible] থংনৈ. [illegible] থুম
মাড়ু, [illegible]

শু রা ব ০ ১ ১৬ ০ অশি [illegible]
[illegible]

শু রা চ ০ ৩ ২০ ০ [illegible]
[illegible]

শু বা [illegible] ০ ১ ১০ [illegible]
[illegible]

শু বা বৃ ০ ৮ ৮ ০ [illegible]
অশি [illegible]

শু বা শ ০ ০ ৭ ০ [illegible]

শু বা বৃ ০ ৮ [illegible] ফন্দ, [illegible]
ন যাব', ফানে মংগনি

অ চহী ২ ৪।০ (চহী মনিগা ৭। মনি)

★ ১০৮ গী মত মতু ইহ্মা দশাগী ৩০৫৪। খোড়চং লোযরে।

(ঘ) গী শরুক

স্বর্গীয় মণিপুরাধি[illegible] শ্রীযু[illegible] সিংহ মহারাজকী জন্ম কুণ্ঠী। মণিপুর [illegible] ৬৯। শকাব্দ ১৭৭৯ [illegible]। রবি [illegible] চন্দ্র [illegible]) [illegible], [illegible]— সিংহ ১০, বুধ [illegible] ৪, [illegible] - [illegible] ১৬, [illegible] ৮, শনি [illegible], [illegible] ২০, [illegible] ॥ [illegible]

[illegible] K [illegible] মহারাজ [illegible] [illegible] [illegible]। বাক্তগা [illegible] মিনা [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] শিন্দে। [illegible] [illegible] অমদা [illegible] [illegible] শমিনা [illegible] [illegible] চঙ্ [illegible]। [illegible] [illegible] [illegible] অতুদা ইনিংথৌ [illegible] যন [illegible]। চন্দ্র সি[illegible] গী

মফমদা লৈবনা য়াম্না শোল্লি অমস্তুং মঙ্গলগী সম সপ্তমদা লৈ। মরমসিনা চন্দ্রগী দশাসে ফত্তনা দশানি; অতুব, ৯ শুবা মফমদা লৈবনা চহি ১৫ গী মনুংসিদা নিংথৌ ফমম্মু ফংখি অমস্তুং তোকখি।

অসিগী মতুংদা ১০শুবা যুমফমগী ফল য়েংসি।—দশাপত্তিগী ভাবপত্তি মঙ্গলনা কেন্দ্রদা লৈবনা কারক বুধনা মবিশুবা কেন্দ্রদা লৈবনা রবিস্তু কেন্দ্রদা লৈবনা চন্দ্রগী দশা মতুংদা শোয়দনা মপোক্কী রাজযুগকী ভোগ চাবা হৌগনি। অতুগা কারক ভাব-পত্তি শনিনা শোনবনা দশাপত্তিগী অষ্টমশুন্দা লৈবনা রাজযুগকী মাংবস্তু ওইগনি। মরম অসিনা ১৮০৮ দা রাজসিংহাসন কাই। অতুগা শোক ১৮১২ দা (চুপ্ত ওইখি) থাদোকখি।

মঙ্গলনা পীড়িত ওইবা চন্দ্রনা শনিগী যুমফমদা (ধর্ম স্থানদা লৈছনা পুক্কিংগী মওং ফোংদোকই। (ভাব ফল)। ধনদা পুক্কিং চঙই, হান্নগী চংলকপা ধন ফোংদোকই, অনৌবা গুরু অমা লোই। তীর্থ চংলি। মচিন মনাও ফোংদোকপা মঙ্গলনা যাম্না যেংপনা লাখল খল্লবগী (বিবেচনা) পাঙ্গল থাংলি; মরম অসিনা মচিন মনাও যেংক্রি। যুম্ফম ১২দা লৈবা রবিনা তেনজিনবনা মপোকসিদা শোয়দনা অফা শপুন মংগনি: মরম অসিনা মরমদম থাদোক্কনা মীরমদমদা নিংথৌ অসি চেনখিবনি। বৃহস্পতিদা বিদ্যা বুদ্ধি মচানিপা ফোংদোকই। বৃহস্পতিনা খুড়হল্লি নিংথৌসি

লাইরিক হৈ, নোল্লুকপা ১স্থং ভক্তিদা হেনক্তিল্লি; অদুগুম্দি ওইরগা মচানিপা অহলসি যেক্কবগী মফমদা বৃহস্পতি, বুধন। মীচদা লৈবা শনিনা য়াম্না য়েংশিন্না (পীড়িত) ওবম্না লাইরিক হৈবা ১স্থং ভক্তি প্রেম লৈজববস্থ মনিংশা ওইনা চৎপা অদুগা সম্পত্তি অপুম্বা মাঙবনি।

২। **অধরসিং** — শক ১৭২৯'৭ ২৫ (বব'চাওবা)

রবি—বৃশ্চিক ১৮, চন্দ্র—বৃষ ৫, মঙ্গল—ধনু ২০, বুধ ধনু ১৯, বৃহঃ—সিংহ ১২, শুক্র—মকর ২২, শনি—তুলা ১৬, রাহু—মীন ১৭, কেতু—কন্যা ১৭, লগ্ন কর্কট

চন্দ্রগী দশাদা ফংখিবা — মপাইবুংো সাব চন্দ্রকীর্তি মহারাজনা লোংঙাংখ্রবদা অদোমীকিয়া লৌদিংদা মাংগদাকপগুম মনাওশিংনা কোইখিন্দনা নিংথৌ ওইখি। অদুগা নিংথৌগী সিংহাসনদা নক কানদগা মনা পুক্রিদা ঙমিং চৎপা যেক্কবদগী কিদনা নক থক নিংথখি। কুশিরব কল্লা মনাওশিংবুস্থ থাডবা চমতিদ অধরসিং (নবাচাওনা মহারাজ কুমার) না লেংঙোল লান লৈগদবগী থুংলাইতিংদুনা লেপ্পনা চংইরে। মণিপুরগী পাউনা কুৎসিৎনা মনাক্তা লৈরদুনা মপাইবুংোগী সংথাবদা তোপ্পতনা হেৎগন তৌবদগী যেক্কবগী মীচঙদা চংখি। অসেমদা থাবি ওইবনা ঙাইবিবা মীকুপ অদুদা থোকখিবনি।

কুণ্ডলিদা লগ্নস্থানপতি গুরু, বিক্রম্থানপতি মঙ্গল অনি

মফম অমবদা লৈহনা দুর্ভাযোগ ওইনা পোকপা কুমাবনি। পীড়িত ঙৌহনম্ব নিংথৌ শোয়দনা ওইগদবনি ; অদুবু দশাগা মপা চান্নদবনা ওইখিদে। কুমাবগী ৩ অমস্তুং ১১দা কেতু চন্দ্র মঙ্গলগুম্না ৫শুবা ১স্তুং ৯দা রবি রাহু লৈবনা পরাশর ঋষিনা হায় ২রক হন্না মরৈপাকন্না তাংখাকপা অমসুং যেক্লবগী মথুংদা ফাবগী মতম লৈ। শ্রীযুত শুরচন্দ্র মহারাজনা সিংহাসন কাবা মতমদা কুমাবগী চহি ৭৯নি। মতমসিদা শনিগী দশা ওই। শনিসি উৎচদা ১স্তুং কেন্দ্রদা লৈ। অদুনা "মন সিনা সংপ্রবহার" হায়বা মিংচৎ চঙ্গা লান ঙৌরবকদা হবাউডবা থুংলাই পায়দা তৈনজবনি; অদুগা মহাক্কী (শনি) দশাদা বৃহস্পতিগী অন্তরপতিনা ৮ শুবদা লৈবনা চহী ১০ নিংথৌ ওইবা ফংলে। মিবাংসন দশু ২বক ফংখি।

মহারাজ সুরচন্দ্রনা মহাকপু কিবনা থক ৭ক নিনখিবনি : অদুবু কুমাবসিদু সানফমগী ফাহনা পদকগা থমদা মপা ইবুঙোগী সিংহাসনদুদা কপতুনা খুবাংড মনম সিনা নিংথৌসিগী ভক্তি ঊমস্তং পোকদি অংগোবনি। শাস্ত্রনা হায়বা "পিতৃদেবোভব, মাতৃদেবোভব, অতিথিদেবোভব, আচার্য্যদেবোভব" শর্ম্ম সি নিংথৌরেল সিনা মৈংলম্মী।

নিংথৌ বাহর্নগী খৌমদা, হায়বদি মহাক্কা পানবদা মণিপুরদা প্রজাগী অগানা থোকদবনি। (কুলীন কৃষ্ণদা থাকপা মীতৈদা); অদুবু নিদা স্থানদা লৈবা বৃহস্পতিগী মহৈনা মহাক্কী

প্রজাদা বৈষ্ণব দর্শন প্রচার তৌবগ্মী, অমত্তা পোকচবা মচা পুন্সিথিদে। বৃহস্পতিনা যেক্রবগী মযুমদা মপাঙ্গল শোম্বা, লৈবা শনিনা পীডিত তৌবনা নিংথৌবেল অমিনা নিংথৌ ওইরগা মুনিগী আশ্রমদা লৈবগুম্না নিংথৌগী ফীদেং থাদোক্লুনা নিতিগী মথৎনা লৈ-তুলসী পং থিংদুনা ভগবৎ ভজন তৌই। "ধন জন পুত্র কন্যা আর কিছু চাইনা, প্রেম ভক্তিবিনে আর কিছু চাইনা" হায়না ঈশৈ শকম্মী।

দশাপতিচন্দ্রনা ধনিষ্ঠানদা লৈবনা নিংথৌবেলসিনা মযুথৌ ইবুংঙো ভাগ্যচন্দ্র মহারাজদগী তৌনা চৎলকপা শুযোদয বিদা একাদশী বহু যাবমদে, অরুণোদয বিদ্যা থাদোকই, মহা দ্বাদশী মত প্রভাব তৌম্মী শ্রীশ্রী গোবিন্দ লৈলন লৈলন মহক্কী বৃজ-বিনুগী সেবা তৌরম্মী পতি শনিনা নীচনা লৈতুনা বৃহ-স্পতি অমসুং বুধনা মীযা থানা মবন্না মহাশাগী গুরু লৈনা লৈন কবাজি হ্যাতন দাসপ পুরন গুরু ওইনা সনা কোম্নদা থম্মী। অদু সেনাপতি লাংকালক মঙ্গল গ্রহনা মচিন মনাগী নফমদা লৈতুনা দশাপতি চন্দ্রন পীডিত তৌবা মবম্না মহাক্কী সেনাপতি মনাও হবুঙো বীর টিকেন্দ্রজিৎকী প্রতাপনা নানথিবনা সিংহাসন থাদোকনা চেনবা থাখি। মহাক্কী নিবাসনদা লৈথদা লৈরনা নিংথৌবেল অসিনা মীওইনা পোক্তুনা শান্নবা নাটাগী যবনিকা পাং ওইখি। নিংথৌবেল অসিগী যুম ৪ অমসুং ১১গাদা ৭ক লৈবা মশীং মাপ্লনা ঋষি পরাশরনা হায অফবগী মশক ওইনা অমসুং মীতৈশিংকী তোঙ্গানবি।

৩। মণিপুরাধিপতি ৺কুলচন্দ্রধ্বজ সিংহগী জন্ম কুঠি

মণিপুরাব্দ— ১০৬৬ শক ১৭৭৫ | ১০ | ১৫ | ২৬ | ৩০ ।

নিংথৌরেলসি স্যার চন্দ্রকীর্তি সিংহ KCSI গী ১শুবা মচাইবুঙোনি। শ্রীযুৎ সুরচন্দ্র সিংহগী বিমাতৃপুত্র মনাও ইবুঙোনি। শ্রীরামকৃষ্ণগুম্না মণিপুরদা ঙালম্বা মচিন মনাওনি। নিংথৌ অনিসিদি এথোযনা খণ্ডলকপা মতমদা লৈবক্তেবম্ব সনম মিনম তানবিবনি। মসিদা অমুশিংলান থৌববদি পাঞ্জি লৈনিংবশিংনা মতেং য়ান্না ওইগনি। অতুনা এথোযগী মণিপুরী বিশ্বভারতী-দগী প্রমানন্দা মচিন মনাউ সন্ধ্যা তৌবি।

নিংথৌরেলসিগী রাশিচক্রদি রাহু মেষ ১, শনি. বৃষ ২, মিথুন - চন্দ্র (রাশি) ৬, কর্কট লগ্ন. কেতু তুলা ১৬. বৃহস্পতি, মকর, ২৩, বুধ. ২৪. মঙ্গল --রবি ২৫, কুম্ভ. শুক্র. মীন ২৫। ১০৮ চ. ১৩,৮/২১।

নিংথৌরেল অনিসি মহারাজ শ্রীযুৎ সুরচন্দ্রনা বিদাইস্থানদা হন্না হৈল্লি; লৌইংঙ্গম [illegible] শ্রীযুৎ কুলচন্দ্রগী ধমস্থানদা কুঞ্জা [illegible] পাম্বদ তাযবা মীং চংখোগে হাযজনা লৈরা মরম্না ধর্ম শামম্বং অধ্যাত্মিকতাদা [illegible] যুগনি। মরম অসিং [illegible] "হরিখিংক [illegible] তীর্থ সাগোপাংশিংদি ॥ [illegible] কুপা [illegible] ঙাম্বা মহাত্মী সর্বতীর্থদা লোয়না [illegible], "মতিজন সমরেশঃ পুরুষস্তুকারায." — মতিরাং [illegible] প্রান থাদা চুমিং চুপ্পা

শাওবগী মূর্ত্তি ওইবা, মমি মহারাজ কুলচন্দ্রদা মী পুম্নমক্না উখি। মহাকপু শুক্রাচার্যনা পৃথিবী পুম্বদা মমিং ফাওহনগে হায়বা মরমনা ভারতকী স্বদেশী গানদা "রামচন্দ্র, লবকুশ, ব্রক্রুবাহন, কুলচন্দ্র, টিকেন্দ্রজিৎ হায়না মহাক্কী কোরৌ মীং শকথিবনি। শ্রীধামব্রজবৃন্দাবনদা শ্রীরাধাকুণ্ডগী মপান্দা মুনিব্রত তৌদুনা লৈরগা অন্তকালদা ভক্তবেশ ফংদুনা নশ্বরদেহ থাদোকাখবা কনা-গুম্বা নিংথৌগী মরাইনক্তা লোকখিদে। ঋষি পরাশরনা হায় ৪/১০— যুমদা লৈবা গ্রহ মশী মান্নবনা অযবগী মশক্তি থাদোক্তে অদো পাক্তিশিংনা উগনি, রাহু কেতুনি।

নিংথৌরেন অসিদা ব্যবহারিক বুদ্ধি অমসুং সমাজিক শিং ব্যবহারনা মরম ওইদুনা সৌভাগ্যবান ওইম্ন হায়না শুক্রনা পী. মবম অদুনা রাজনীতি ক্ষেত্রদা সত্যযুগ হৌ হায়বা কিভনদা (কুন্তিনা কৃষ্ণদা হায়বা, যান সন্ধি পর্ব্ব) মহাক্না নিংথৌ ওই। নিংথৌসিনা মহাক্কী প্রজাদা চৎলম্বা নীতিশিংদু এংলগা থংবা লেম্মী, মহাক্কী স্নাহাকক্তা মণিপুরদা সত্যযুগ হৌথি। মহাক্না শুম্বগী থা ৯ লোমদা পাক্লমই, নুমিং চুপ্পা মপানগী য়েক্তবগী নাইচিন্নবা নোংমতসু শান্তি ফংখিদ্রবা, খল্লুবদা অঙকপনি। মহাক্না মণিপুর থাদোক্তুনা চৎলমদাইদা ধনেশ্বর তুবেন্দা হিথক্না লেপ্পুনা ভক্তগী মুক্তা পরেং লৌথোক্তুনা "ইমা লাইবক থিবি লৈগী মক্কদগী মীখা পোলহৌবে, ইমাগী মকমদা নচাগী অঙাইবা দাননি" হায়না মুক্তা পরেংদু ইশিংদা হুনথরমই।

অস্ক য়াম্না য়াথি। মতমসিদা বাঙ্গালী ভদ্রলোক অমনা নৃপাগী পাত্রদা সঙ্গোম কংলি অদুগা হায়বমই, "মহারাজ তাইবংপান্দ স্বাধীন নিংথৌদি নহাক্না অরোইবনি। নহাক্কী তুংদগীদি জগৎতা স্বাধীন নরপতি উবরোয। সংসংবা বিক্কুনি, এবু অমুক্তং য়েংবিরম্ম্।" থৌদোকসিনা থংবা ভম্মী নিংথৌসি অরা-অনা যেংননা পাগ্ন নিংথৌনি। লাইবক থিবদস্ মহাক্না লৈত্রবা, লাইবক ফবদস্ মহাক্কী মপা লৈখিদে।

দশম এরা

মহারাজ কুলচন্দ্রধ্বজ চহী ৫৮ দা নিংথৌ ওই, ৫৭ দা তোকই। চন্দ্রগী ভাগ্য ১০ ৯।১১ চহী ১১ - ০৯ ফাওনা নুধগী দশানি।

বুধসিনা পোকপা ম০মদা নিপানশুনা দুরদা লৈরগা মরম মহাক্কী দশাদা কাচৌ তাচৌনা তরাদা য গনি। দশম ভাব পতি মঙ্গল কারক ভাবপতিস্ মঙ্গলনি। কারক রবি অমসুং (বুধগা দশাপতিগী কেন্দ্রদা লৈরগা। মহাক্কী দশাদা নিংথৌ স্ ওই বধগী অন্তরদা চংলগা ১,না ম০মদা নিংথৌ ওই, অমসুং মনুংদা সিংহাসন থাংনই। দশাপতিদগী মহুমসুনা খন্দা চন্দ্র০ লৈ। মহাক্কী নবমস্থানদা কারক অমসুং কারক ভাবপতি লৈরা। মরমসিনা চন্দ্রগী অন্তরদা নিংথৌ ওই। নিংথৌ ওইনা তোকপ মরমদি শকাব্দ ১৮১১ গী ফাল্গুন ৩০ং ১৫ দগীনা শকাব্দ ১৮

গাঁ ফাল্গুন যাৎবা চহী ৩৮ কী মনুঙনি। মনুংদুদা বর্ধপটা-কীদা মঙ্গলগী দশানি। পঞ্চস্বরদশা দশা দশ শূন্য কোচ দশা ওই। মাদুনা হায –

"অথবা পাপ সংযোগে দশ শূন্যং ভবেদ যদি।
তদা মৃত্যুং লভেদেব দেবরাজসমো যদি॥"

অর্থদি— পাপগ্রহগী চহীদা শূন্য ওবা থোক্রবদি সোবারেনগা মানবা মীসু সিগদবমরনি। রাহৈসিদা সোবাবেনগা মানবমকসু শিগনি, হায়বদি সোইদনা শিগনি। মদু হায়দদুনা "সিগ-দবনি" হায়বা সিংগ যাবা যানা লৈ, [illegible] খ[illegible]গনি, মদুদি "[illegible] [illegible] ভবেদেব" হায়বা অশংদা লৈবাকনি, হায়বা-[illegible] [illegible] নিদা পুন্না ব্যাকরণগা সোং ওইদুনা [illegible] [illegible] [illegible], মহাকসিনা ব্যাকরণ শাস্ত্রগী [illegible] [illegible] [illegible] তথ [illegible]গনি। কুমসিদা (শক ১৮১২) সৌর [illegible] [illegible] [illegible] [illegible]বাত নুমিৎ [illegible] [illegible] পাল্লবদি [illegible] [illegible] [illegible] পাল্লনা শিদে। মরমসিনা সিগদবগী [illegible] [illegible] সিংহাসনদগী [illegible] [illegible] [illegible] থাবদা শরুখি, [illegible] [illegible] পাবোক্কগী [illegible] [illegible] নিংথৌসিগী [illegible] যাউনবা অমসু [illegible] [illegible] মরণ ওইখিবা রাজভোগ [illegible] [illegible] দশাগা [illegible]।

শ্রীযুক্ত রাজা ডুম্ব্র সিংহ সেনাপতিগী জন্ম কুঠি।

শক—১৭৯১/১০/২২/০/৪৮

শ্রীযুৎ রাজা ডুম্ব্র সিংহসি শ্রীযুৎ নরসিংহ মহারাজদগী প্রপৌত্রনি। শ্রীযুৎ ভূবনসিংহ যুবরাজনা পোকপা মচু ইবুঙো শ্রীযুৎ ডুম্ববসিংহনা পোকপনি। জন্ম কুণ্ডলীদি রবি ২৫ কুম্ভ, চন্দ্র ৯ কর্কট, মঙ্গল ১৩ কন্যা, বুধ ২৫ কুম্ভ, বৃহস্পতি ৫ বৃষ, শুক্র ২৬ মীন, শনি ২০ ধনু, রাহু ৬ মিথুন, কেতু ২০ ধনু। কুম্ভদা লগ্ন লে।

মসিদা ধর্ম্মগী অধিবতি তুঙ্গী শুক্রনি কর্মপতি মঙ্গলনি, অনিসি মহৈ মহৈ দৃষ্টি তৌবনা যায় কনহবা রাজযোগ ফোং-দোকই। অমসু মদুগী মথক্ত অতোপ্পা গ্রহগী সম্বন্ধ লেতবনা শাস্ত্রনা হাই—

"ইতৈববপ্রসক্তাশ্চেদ বিশেষ ফলদাযকা:" অসুম্না থাগৎ-লি। বৃটিশনা লৌনম হৌদুনা মণিপুরবু লৌরবদা শক ১৮১৩ দা মণিপুরগী নিংথৌ হাপ নবগীদমক নরসিং মহারাজকী ধারাদা অহলগী ধারা থিরকই। মতমদুদা রাজা ডুম্ব্র সিংহনা নিংথৌ ওইফম থোকই, অদুবু কুমারসিনা নিংথৌ ওইখিদে। কুমার সিগী দশাদা তমখৎলকইবা মীগী যাম্না বুদ্ধি পীনবা ওইরে। অদু কুপ্না নৈননবা কণ্নগনি।

(ক) কুমার সিগী মংপাঙ শোযদনা নিংথৌ ওইযু হাই।

(খ) রাজযোগদা পোক্লবসু নিংথৌ ওইযম থোক্নবদি ওইদে

হায়বস, য়াদে, মতমদ্দা মহাক্না নিংথৌ ওইফম খোকই, মহাক নত্তনা নিংথৌ ওইবস, য়াদবা মতমনি।

(গ) মপোক্কা অফবা মহৈ নিংথৌ ওইয়ু হায়রগস্ম দশা ক্তত্রবদি ওইদে হায়বস্ম য়াদে, মতমস্তুদা অষ্টোত্তরী দশাদি বুধনি। বুধসি মিত্রগী আলয়দা লৈবনা সবলনি। রবিনা রাহল্লিবসি উরুবস্ম য়াদে, বুধনা কোনপতি, রবিনা কেন্দ্র পতিনি নিংথৌ ওইয়ু হায়। (See page No. 2, Jyatish provakar)

(ঘ) পরাশরগী হোরাগী মতনি হায়না হুজিক পণ্ডিতশিংনা চংনবা গ্রন্থসিং মখোইস্তুদি উড়দার প্রদীপ লঘুপরাশরী, সুশ্লোক শতকনচিংবনা হায়, অস্তুদি অষ্টোত্তরী দশাদি বিচার তৌবা য়াদে, বিংশত্তোরীগী দশা যেংগনি হায়। অস্তুগা বিংশত্তোরীদা য়েংল-বস্ম ধর্মাধিপতি কর্ম্মপতিগা সম্বন্ধ ওইবা শুক্রগী বিংশত্তোরী দশানি। মথক্কা ককপিনবা লৈত্রবা শাস্ত্রগী প্রমান মরিসিদা কুমারসিদা অনত্তস্ব ওইখিদবে। মসিদগী ঐখোয়না মুন্না খংএ, কুমারসিগী মপোক্কা নিংথৌ ওইয় হায, মতমস্ম ওইরি, মতমস্তুদা দশাস্ম ফরি। অস্তুব মতমসিগী দশাদা নিংথৌ ওইয়ু লৈরবস্ম দশাস্তুনা অফবা দশা, রাজযোগ পুবা গ্রহগী দশা ওইজববস্ম দশা বিচারদা নিংথৌ ওইয়ু হায়বা পীত্রবদি দশাগী মতাংদদা নিংথৌ ওইদে হায়বসে খংলে। মদদি শ্রীযুৎ ভুম্ব সিংহগী মতমদদা অষ্টোত্তোরী দশাদা বুধগীনি। বুধসি শুভগ্রহনি রবিগা ভিন্নবস্ম কেন্দ্র ত্রিকোন পতি সম্বন্ধনি। অদুমদি ওইরগা অষ্টমপতি

ওইবগি বুধনা দোষ লৈ। রবিনা নাশস্থান্দা লৈবগি দোষ লৈ। তৌবাতবু দোষ লৈনা লৈনা রাজযোগ পিবানিনা বুধসি শুভদশানি, মাগী মক্তংদা নিংথৌ ওইগদবনি। এংলবদি দশম পতি মঙ্গলনি, মহাক্না অষ্টমদা লৈ। রবিকারক্না দশাপতিগী কেন্দ্রদা লৈদি হায়ববু নাশস্থান্দা লৈ। কারক ভাবপতি শুক্রনা তুঙ্গী ওইদুনস্থ দশাপতিগী দ্বিতীয়দা লৈ, অদুনা কুমারনা চহী ২৬ কুনতরুক ফাউবদা বুধনা নিংথৌ ওইবা পীদে।

বিংশোত্তরীদস্থ এংসি, মঙ্গলমরুদা রাজযোগ পীনা তুঙ্গী শুক্রগী শুভদশানি। ভাবপতি মঙ্গলনা কেন্দ্রদা লৈ মহাক দুর্ব্বলনি। দশাপতিগী ভাবপতি শুক্রনা তুঙ্গীয়দা দুর্ব্বল ওইনা লৈ, কারকনা দুর্ব্বল ওইনা দ্বাদশদা লৈ। মখসিনা [illegible]। শুক্রগী দশাদা নিংথৌ ওইদে।

৫। মণিপুরেশ্বর স্যার শ্রীযুক্ত চূড়াচাঁদ সিংহ K.C.S.I.C.B.I ॥

কুষ্ঠি, শক ১৮০৩।১০ গু ২৮।৩০

রবি — ৩ মেষ, চন্দ্র — ১, মেষ, মঙ্গল ১ মেষ, বুধ ২ — মেষ, বৃহস্পতি ১০ সিংহ, শুক্র ৩ বৃষ, শনি ৫ মিথুন, রাহু — ১২ কন্যা, কেতু ২৬ মীন, ল বৃশ্চিক।

অষ্টোত্তরী মতে ২০, শুক্রগী ভোগ্য ১৯।৯।২৭ ॥

নিংথৌরেল অসি চন্দ্র অমখুং লগ্ন বাগোত্তমদা লোনই, লগ্নবু চন্দ্র নওবা গ্রহ মনা যেংই, অদুনা সম্পূর্ণ রাজযোগতা পোকই। পোকপদগীনা চহী ১০ ফাওবা শুক্রগী দশানি। দশাসিদা দশা-

পতিগী ভাবপতি শনি, লগ্নগী ভাবপতি চন্দ্র অমসুং কারক রবি মখোয় অহুম দ্বিতীয় অমসুং দ্বাদশদা লৈরবসু সবল ওইবনা অশুভ পীরবস্, কারক ভাবপতি শুক্রন সবল ওইনা কেন্দ্রদা লৈবনা দশাসিদা নিংথৌ ওইবা পী। তৌইগুম্বস্ং ফত্তু য়াম্লবনা শুপ্নগী মিংদমক ওইনা চহি ৭তা নিংথৌ ওই।

তুপী রবিগী শুভদশাদা কারক ভাবপতি শুকনা ত্রিকোনদা লৈবনা অমসুং ভাবপতি চন্দ্রনা কেন্দ্রদা লৈবনাগা দশাপতিগী ভাবপতি শনিনা তৃতীয়দা লৈবগী দোষগা য়াম্লহনা মিত্রকেন্দ্রদা লৈবনা শক ১৮২৯ দা চহী ২৩ দা মণিপুরদা চান্নবা সিংহাসন ফংই। অদুবু দশাপতিগী তৃতীয়দা লৈবনা শনিগী দোষনা বুধগী পাপদশাদা মানব লীলা সংবন তোখি। তৌইগুম্বস্ং অম্নকাল ফাউবা সিংহাসনগী অধিকার থাদোকখিদে॥

N.B See O tottori Dasha Fal by Pandit Raj Atonbapu Sharmah Bidyartana, Gobesona Siramani.

জননেতা হিজম ইরাবত সিংগী কুষ্ঠী বিচার—

ইরাবতকী অপোকপগী মিং হিজম ইবুঙোহল, অপোকপীনা চোংথাম চনু থম্বালঙম্বী কৌই। পোকখমদি পিত্তমথোং ওইনাম লৈকাই ইম্ফালদনি।

রাশি চক্র— বৃষদা মঙ্গল। মিথুনদা চন্দ্র। সিংহদা বৃহস্পতি অমসুং কেতু। কন্যাদা রবি বুধ। তুলাদা—শুক্র, শনি। বৃশ্চিকতা লগ্ন। কুম্ভদা রাহু লৈ।

উচ্চদা= বুধ, শনি লৈ।

মিত্রদা= বৃহস্পতি, রবি অমসুং শনি লৈ।

স্বক্ষেত্রদা= বুধ, শুক্র লৈ।

য়েক্নবা= চন্দ্রনি।

বুধ অমসুং রবি কন্যাদা পুন্না লৈ। মসিবু বুধাদিত্য যুগ কৌই।

রাশিদি= মিথুন। লগ্ন= বৃশ্চিক। নক্ষত্র = লিক্লা শাক্নবা (আর্দ্রা) গন—নর। বর্ণ—বৈশ্য।

১৮১৮ শক আশ্বিনগী তাং ১৫ য়ুমজকৈশাগী অয়ুক চাকচামাঙ চাওরাকপা পুং ১০ | ১০দগী ১০/১৫ মিঃ গী মনুংদা পোকখি।

(মথক্কী জন্ম দণ্ডগী মতুং ইন্না জং= ১২/১২)

রবি বুধ করিগুম্বা য়ুম্ফম্ অমদা পুন্না লৈরবদি বুধাদিত্য যুগ কৌই। য়ুম্ফমতু রবি নত্রগা বুধগী পক্নবা য়ুম্ফম ওইরবদি মীতু অমুক হেন্না ফৈ। মসিগী ফলদি হেক খণ্ডনরুবা উনরুবা মীপুম খুদিংনা মাবু থাজগনি, নুংশিগনি। মানা ভাংবা তানিংগনি ! মসিমক জননেতা ইরাবতকী লমচং ওইখি।

বৃশ্চিকতা লগ্ন লৈবনা বৃহস্পতি প্রথম মারোক অমসুং বুধ দ্বিতীয় মারোক গ্রহ ওইরে। লগ্নগী বিচারদা পোকপদা মশক ফজদে, লাইরৈ, থংনবা হৈ, মুঙাইবা হৈতে ... (See page 16)

পোকলকপদা দশা ১০৮গী মতুং ইম্নদি চন্দ্রগী ভোগ্যদা চহী ১১/৭/৪৫ দণ্ড ফংঙকই। চন্দ্রনে চাওরাকপা কৈ হায়ববু জননেতা-গীদি য়েক্নবা ওইনা লৈবনা অফবা ফল পীদে। অহুগা অপোক-পগী (পিতৃস্থান) মফমদি নবম থবনা দশমসু ওই। নবম ওইবা তারবদি কর্কট রাশিদা থোকই। কর্কটতি চন্দ্রগী মফমনি। চন্দ্রদি মপোককৈদগী য়েক্নতুনা লাকপনিনা অফবা ফল পীদে; মরম অসিনা অহোং ওইনা অপোকপা শায়নবনি। দশম স্থানদা বিচার তৌববসু দশম স্থানদা বৃহস্পতি কেতু অনি লৈ। বৃহস্প-তিসি অমুক প্রথম মারোক ওই অমসুং লোয়নরিবা কেতুসু মতেং পীদবনিনা অপোকপা পুন্সিদবনি।

বিদ্যাস্থানদা য়েংল্লবদি বৃহস্পতিগী বৃক্ষনদি মীননি। বৃহস্প-তিসি তবাঙ্গা [illegible] কেন্দ্র ওইদুনা লৈঃ অদুনা লাইরিক লাইগুদা মবদ্ধি হৈ, থরায় য়াংই; অষ্টমনদি ওইরগা বৃহস্পতিসি শেংদে মারোকনি। মরম অসিনা লাইরিক্কা হেন্দোকপা ঙমখিদে।

বুধ অমসুং শনি উচ্চদা লৈবনা ইজং লৈবা, দেশকী মীথোই মীহেন ওইবা, শাস্ত্র খঙবা, ইশৈ নোংমাইদা মমিং চৎপা, নিংথৌ-গুম্বা মীথা পোন্দবা, মীনা লাকচবা য়াদবা ... (See page 53) মসিমক জননেতা ছিজম ইরাহত সিংহগী পুন্সিদা লোয়নখিবা লমচৎনি। মহাত্মী অচুম্বগীদমক কনাবুসু কিরুদে। চৈরাপ পঞ্চায়গী মেম্বর ওইদুনা মুঙাইনা পুন্সি লেপ্লিদৈদা জাতিগী,

লাইরবশিংগী মপুক্সি থাঙ্‌থক্সা কেমথিবনা হাল্লগনি খল্লবদা মেম্বর কম থাদোকখি। মহাক্না ঈশৈ "হৌবো হৌবো ... ... স্বাধীনতা মুমিৎ .. .. ।" অসিনা ঈবাকনগদৌরবা ভূমত্থনা লৈরিবা লাইববশিংবু হৌদোকখি। অমুকম্থু মহাক্না "থাঙগোল অহূ ময়া ... . হে লৌউবা ... ... ।" ঈশৈ খরা অসিনা লৌউবা প্রজাতা নত্তনা মীচম অমস্থুং লাইনিক হৈরগা ইবা খুঙদবা (দালাল) কাংবু কয়া ফাওবদা ক্সাননী পনিং যাৎপিরম্মী অমস্থুং ইমা লৈবাক মীথা পোক্সনবা যাত্রা হুলপা মুপানি।

চক্সনা চহী ১১/৭/৯/৪৫ দগু চাথিপগা মঙ্গলনা চহী ৮ অমুক চংঙকই; মতাং সিদা ইরাক্তক্না চহী ১০গী মস্থুং ওই। মতাংসি মমা ইবেম্মগা পুম্না মামগী যুমদা লৈবা [illegible] অমস্থুং জনমৈান স্কুলদা কক্সা নতমনি। মঙ্গল [illegible] চংকই। বুধগী অক্সরদা বুধনা চাবিৎ [illegible] চংলে। মতাংসি জননেতাগী চাংবাকপা [illegible] ১০/১১নিগী মস্থু ওই। বুধগী অক্সবদা শনি [illegible], লাইরিক তম্না পোথাবগী [illegible] চংপগী মতাংনি। মতাংসিদি [illegible] ১৩/১০ ৭ নিগী মস্থুংদা ওই। বুধগী [illegible] লোয়ননা জননেতা ইবাবত সিংহ মনিপুরদা [illegible]। "শৈদম শৈরেং" লাইবিক, মণিপুর ড্রামাটিক ইউনিয়নগী [illegible] লোয়ননা মীযাম্না শকথম্না অমা ওইরকই। পোলিটিক্সতা খুং থাবকপা, মেগাজিন "মৈতৈ চন্ন" পুথোকপা পুম্নমকসি চাওবাকপা চহি ২৬/১০/৫ নি মস্থুং ওইগনি। মসিম্থু বুধগী মস্থুংদা

বৃহস্পতিনা চাবা মতমনি।

বুধসি জননেত্তাগী উচ্চদা লৈবনা মশাগী চহী ১৯/৭/৯ নি মতুংদগী অৱা অনা কয়াগা লালথেংনৱবস্থু নিংতম্বদ্ধি অত্থম মায় পাকই হায়না নিংজখি। লৈফম তোয়না হোংবা, য়ুম্ফম্ লৈতবা মসি রাশি চক্রগী ৪শুবা য়ুম্ফমদা রাহু লৈবননি। (See page 75 Jyotish "oh prosnabigwan") মিকোক থোংবা, মীনা লাকচবা য়াদবা, মীথা পোম্বা পামদবা, শনিগী উচ্চনা মহাক্কী রাথলদা লাইৱবন্ হোকপা, মিয়েং চপ মান্নবা য়েংবগী গুন, ওইদবা রাজনীতিগী মায়োক্না মপুন্সি কথোকপগী গুনসি লৈখি। শনিগী তম্বরদা বৃহস্পতিনা চংকপা, চহী মথং মা নহী ৬৭ শুগী ৬৯/৭০ গী মতুংদা ওই। মথংসিদা চূড়াচন্দ মহারাজনা নিখিল হিন্দ মণিপুরী মহাসভা'গী প্রেসিডেন্ট ওইনা জননেত্তা ইরা-লকপ্ ওইখি।

শনিগী তম্বরদা বনি চংলকপদা লগায় মেহর পায়দোকপা, মথং মথং চন্দ, মঙ্গল চংলকপদা নিংথোগা হেক্কনা ওইরকই। অসুম্না মথং মথং অৱাবা ফুরাহনা বয়াগা লোয়ননা লাকপনা মালেমগী মী থুদিনা খঙনদ্রকপা অমসু হোংদোক পোয়দোকপা মী ওইবক্রবগী কুম বৃহস্পতিগী তম্বরদা রাহু চংলকপদগী হকচাং নুংঙাইরবদনা বৃহস্পতিগী অমুরদা শুক্র লাকপদা জননেত্তা হিজম ইরাবত সিংহ মহাক্না থাদোক্কনা পুন্সিগী ওইনা য়াক্লিপখি। মতাংসিদা চহী ৫২।০'২৫ দগী চহী ৩৫'৯।৩ নিগী মতুংনি।

(২৬।৯।১৯৫১ইং)।

শ্রীমতী ইন্দিরা গান্ধীগী কোষ্ঠী বিচার

(ষোড়শোত্তরী দশাগী মতুং ইন্না)

ভারতকী প্রধান মন্ত্রী ওইরিবদ্বী ইন্দিরা গান্ধীগী পোকপা চহি ১৯১৭ কী নবেম্বরগী তাং ১৯ নুংদাংদা U. P. গী এলাহাবাদ সহরদা পোকখি।

রাশি— মকর।

লগ্ন— কর্কট।

নক্ষত্র— য়াত্তোন (উত্তরাষাঢ়া)।

নবগন অমসুং শুদ্রবর্ণ।

লগ্নগা কোয়না শনি লৈ। সিংহদা— মঙ্গল। বৃশ্চিকতা রবি অমসুং বুধ লৈ। (বুধাদিত্য) ধনুদা শুক্র অমসুং রাহু। মকরদা চন্দ্র (রাশি), বৃষদা বৃহস্পতি, মিথুনদা কেতু লৈ।

চন্দ্রগী দশাদা পোকই চহী ৫। ৩। ১১ নি ফংডুকই। দশাগী চহী ৫১। ৩। ১১ নি চংডুকপদগী রাজযোগ কারক ওইরকই। মতমসিদা মঙ্গলগী দশা চংডুকই। মপুরোইবগী যুক্ষমতি শনি, শনিগী যেক্কবা রবিগী দশাগী মতাংদা মপারাইবগী মারোক বৃহস্পতি অন্তর্দশাদা (চহী ৪৩। ৯ ১১) দা লুখ্রাবী ওই। বুধকী অন্তরদা কেতুগী মতাংদা তাপোকপী কাযনৈ। শুক্রগী অন্তরদা শুক্রগী চহী মতাংদা লুহোংবা, শুক্রগী অন্তরদা রবিগী চহী মতাংদা মচা অহল পোকপা, শুক্রগী অন্তরদা মঙ্গলগী মতাংদা অনিশুবা মচানুপা পোকপা। শুক্রগী অন্তরদা চন্দ্রগী চহী চংডুকপগা মপুরোইবগা নুংডাইনদবা এমনুং মপাংদা হন্নকপা।

শুক্রগী অন্তরদা বুধ Congress Working Committee দা মিং চন্বা। রবিগী অন্তরদা মঙ্গল শুইবদা কংগ্রেস প্রেসিডেন্ট খনখি। রবিগী অন্তরদা কেতুদা মপা জহরলাল নেহেরু কায়নবা। রবিগী অন্তরদা চন্দ্রদা কেন্দ্র মন্ত্রী, রবি অমসুং বুধগী মতমদা প্রধান মন্ত্রী। মঙ্গলগী অন্তরদা বুধনা লাকপদা ইমারজেন্সি (Emergency) লাওথোকপা। মঙ্গলগী অন্তরদা শুক্র লোক-সভাগী মীরেপ্পা রাজনারায়ণনা রায়বেরেলীদা মায় পাকখিবা, ইন্দিরাগান্ধীনা ঈকায়বা ফংগোবা (১৮/১/১৯৭৭ ইং)। মঙ্গলগী অন্তরদা রবি চংঙকপগা অমুক হন্না ভারতবর্ষগী প্রধানমন্ত্রী শুইহনা নপান লমদম কয়াগীশু ঈকায় খুম্নবা ফংজে। মচানিপা কায়নবা। ১/৩/৮১ ইং মতুংদগী বৃহস্পতি চংঙকপগা লাইনিং লাইশোনদা (আধ্যাত্মিক) থরাই য়াওবগী মতমনি অমসুং চোক-শিল্লবদি মিংচৎ শুইগদবনি। অতুবু বৃহস্পতিগী অন্তরদা কেতু চংঙকপা মতাংদা মশাগী মীনি নিংজহনা থমজবা (দেহরক্ষী) কাংবুনা লৌনম তৌহনা হাৎখি (৩১/১০/৮৪ ইং)।

১। মিত্রদা—মঙ্গল, রবি,

২। বুধাদিত্য যোগ লৈ। (See the first page of Jananeta) (জ্যোতিষ ও প্রশ্নবিজ্ঞান)

ইরুংবম শ্রী চন্দ্র সিংহ (ওঙ্কারনাথ সিংহ) সাহিত্য ভূষণগী জন্ম পত্রিকা—

ভূমিতৈ, নোংপোক চৈরা।

পোকপা— ২৭ চৈত্র ১৮২৬ শকাব্দ, নোংমাইজিং ৩নিং।

মেষদা—বুধ ১, বৃহস্পতি ২, শুক্র ২, লৈ।

বৃষদা— চন্দ্র (রাশি) ৪ লৈ।

সিংহদা— রাহু ১১ লৈ।

তুলাদা— মঙ্গল ১৬ ”।

কুম্ভদা— শনি ২৩, কেতু ২৪ লৈ।

মীনদা— লগ্ন, রবি ২৭ লৈ।

উচ্চদা— চন্দ্র নি, মিত্রদা— বৃহস্পতি অমসুং রবি ওইরে। স্বক্ষেত্রদা— শনি অমসুং য়েক্লবা ওইনা বুধনি। কেন্দ্রদা রবি ওইরি। নরগণ অমসুং শূদ্র বর্ণনি।

নক্ষত্র— অপকণ্ডা (রোহিনী)।

মীন লগ্ন ওইবনা মঙ্গল প্রথম শুক্র দ্বিতীয় মারোক গ্রহনি। (See Page 17) চন্দ্রনা উচ্চ ওইবনা লাইরিক লৈরিক হৈগনি, মরূপ য়াম্মে, অফবা চিনজাক চাগনি, নংক শেরৌ য়ুগনি, মমিং চংকনি, শেল থুম য়াংলোয়, অডুক অডুকপা থবক তৌগনি। (See Page ১3) লগ্নগা কোয়না রাশ লৈবনা মিংকুঁ, অনাবা নত্রগা মিংকী ফিভম ফজদবা, পিত্রিতৈদা মশা পাঙদবা অমসুং শেলথুম মরাং কায়দবা খঙহল্লি। বৃষ রাশিদি রা অচুম্বা ভাংবা অচুম্বা থবক তৌবা পাম্বা, তৌবতবু নাপলনি হৌই (See Page 3)

শ্রীযুক্ত চন্দ্র সিংহ থেলমা (Silchar, Tarapur) ৺মদনমোহন সিংহগী মচানুপানি অমসুং অপোকপীগী মিংনা ৺তারোন কৌই

তাইংং কা ৬রনপা মঙ্গল বৰিগী ভোগ্যদ চণ্ডী ৩।৮।২০ িলে। মসিগী ১০ সিদা হনা কুড্‌যতবা শিবা যাবগী ।৬ম ওই, অহুব ববিসি লেং ৎ মঙ্গং িঢ়দা লৈবনা শিবমক্তি ি মসিগী চন্দ্র । চন্দ্রসে তুঙ্গ (উচ্চদা) নদা মুঙ সিদা পী। মরমসিনা চ .৮।। ১০ি ফাং সে ফবা ছাত্র ওইনা মিং চংলি। থাগদব চণ্ডী /ৎ নিদি মঙ্গলগী অন্তরদা মঙ্গল, মঙ্গলগী অন্তরদা বুধ, মঙ্গলগী শনি, (See Page 76) মথ ফত্তবা দশা চা মঙ্গ সিদা অয়েংপা ফত্তবা যিতবগী ওবুক থ; লাইবক ফবদি লেট্রিক থারম- সিদা মঙ্গলগী গুরু। বৃহস্পতিগী ফলদি অ মশু কৈ, বৃহস্পতি অমুক ওইনা চণ্ডী ১।৭।২৭ নি মসিদা পাবপা ওইখি। মবমদি বৃহস্পতিসি নিত্রদ না ফবনি মহাংসি চণ্ডী দগী নিগ মঙ্গং ওইগনি। ফলদি বৃহস্পতিনি "পুষ্কভৌর্থ সমাযোগ দে পুণ্য প্রাপ্তে জীবে কিঞ্চি- ন্নুসংক্রমং"।

ইমিদে পাবপা ওমথিদে মঙ্গলগী অন্তরদা রাহু, লাব মসি । মসি লোইখিবগা মঙ্গ অন্তরদা বা, চংদা কুপীথীবা অমমুং প্রেত্তাংথমন নায় পাতাংবগী মরমনি। (See page

77) শাস্ত্রদা অসুম্না মথং মনাও নাইনা ইরি— "প্রচণ্ডৈশ্বর্য্যমতুলং নৃপ পূজাদিকং ভবেৎ। লীলাভং পদবী বৃদ্ধি : কুজস্যান্তর্গতে বুধে" । "ধনলাভং সুখং ভোগং শরীরারোগ্যমেবচ লোকানন্দমবাপ্নোতি ক্ষিতিজান্তর্গতে বিধৌ" ॥

মঙ্গলসি চহী ২৬ । ৮ । ১০ নি, চাওরাকপা চহী ২৭কি মঙ্গল ... । মথংদা— বুধ লাকই । বুধগী অন্তরদা বুধনা চহী ২ । ৮ । ৩ । ১০ দণ্ড লৈ । মতমসিগী ফলদি ময়ামগী ওইনদি ফে । ... অচৌবা লম্বীদগী কান্নবা ফ ই (Page 77) অসিতসু ... ২ শুবা মফমদা বুধ, বৃহস্পতি অমসুং শুক্র লৈবনা (পেজ ... লাইন ১৪দা য়েংবিউ) ...চৌবা, অফবা, অচৌবা থবক ... ... ফে, মীনা ইকায থুম্নে অসিনা চিংবা ।

অদুম্মক ওইনা ওইনা ওম্মাসিগী বুধসি ... ... থব ... । সোমদনা বুধগী অন্তরদা বুধ লোইনি ... । অন্তরদা শনিনা লাকপা মতম চহী ১ । ৬ । ২৭ নিসে ... নুঙাইবা, রাখল পেন্দবা নত্রগা আশা মপু ফাংদবা ... । ... তোন ফাইবা বাত কুম্ব অনাবনা ... । অদু ... মশাগী চহী ৩১ মপুং ফারকপা তাস্নবা চহী ৩০ ... । ... নিগী মতুংদা বুধগী অন্তরদা বৃহস্পতি চংশুকপগা অনাহেন ... য়াওববসু নমথাযছনা মণিপুরদা লেপ্পলী স্কুলগী ... থবক ফংখিবা মতম্নি, অমসুং ওম্মাগী থবক তৌখি । অদুগা বৃহস্পতি চহী ... । ১১ । ২৭নি পুথি... লৈতানা লৈকবনি মতমসিদা বুধগী অন্তরদা রাহু লাকই । মসিদা নুপী ... কায়নবগী মতম ...গি,

অগ্রাপ নই। মংদা বুধগী অন্তরদা শুক্র চংউকপসি ময়াম-গীদি কৈ; অদুবু মগাগী ওইনরি বুধসি য়েংশিনা অমসুং শুক্রসি দ্বিতীয় মংরোক ওইবনিনা পাওববা মতম লাকই লোয়ননা থবক থাদোকপদা তাখি। হান্নগীংম য়াম্না নুঙাইতনা পুন্সি লেপ্পা মতম ওইখি। মসি চাওরাকপা মশাগী চহী ৩৬ তগী ৩৯। ১। ২৭ নিগী মনুং ওইগনি।

মতাংসিদা শ্রীযুক্ত চন্দ্রসিংগী ভায়াস্থল (নুপী) মতেক অমত্তং পঙ্গনিংই। ভায়াস্থল বিচার তৌবদা সপ্তমস্থানন্ চাওরাক্লা ওইনে; অদুবু শ্রীহৃষীকেশ শাস্ত্রীগী মতওদি অষ্টম স্থানশু য়েংগদবনি হায়রি। মদু ওইবা তারবদি অষ্টম স্থানদা মঙ্গল নত্তঃ করিগুম্বা মঙ্গল লৈরবদি নুপী কুইনা পুক্লদে মত্রগা থাইগনি। নুপীদসু অদুমক্তাহ। অষ্টম স্থানদা মঙ্গল লৈরবদি লুপ্ত নত্রগা থাই-নবা ওইগনি। মসিনা মরম ওইদুনা অহাম্বা নুপী কুইনা পুন্সিখি-দবনি। মতাংসি ননাই ঐগী লাইরিকসিদসু ময়েক শেংনা ইজরি।

অমুম তৌদুনা মথং মথং লাকপনা নীঙবা কায়রগা লোয়ননা মতিক চাবা থবক ফংফম থোকপা থবক ফংদগী পেন্দবনা মপুঙ ওইদুনা থবক মচা অমদা থদক্নী পুন্সিসে লেনখি। মসিসু শনিগী চহী ১০গী মনুংদা ওইখিবনা য়ুমদা লৈনা লৈনা তৌবা য়াবা থবক্তু অয়াম্বা মতমদা মপান্দা চংপা তাখি। শনি লোইখিবগা বৃহস্পতিগী অন্তরদা শুক্রনা চাবা হেক লোইবা হায়বদি মশাগী চহী ৬১। ১০। ১৮ নিগী মতুংদগী (সংবামবর্মগী চহী মতুং ইন্না) বৃহস্পতিগী অন্তরদা রবি চংঙকপগা কনানসু মহাকপু থিংবা ওমখিব্রে। রিভিনিউ মিরাঙদার ওইনা প্রমোশন পীখি অমসুং

মসিগী পোক্ত গসিনগী [illegible] ওইখিনি। মসিগী মরমদি "বক্ক মিংং বক্তধনং স[illegible]"। কুন্তে ভাস্কর: শান্তি গুণোপবৃংহিতাং [illegible]। [illegible] কেন্দ্রদা রবি অমসু বৃহস্পতি বনি মনিনা। [illegible] রাহুন লাকই। [illegible] সমাপ্তি মাইগেইদা [illegible] নাকপী [illegible] রকই। মতমসিদা [illegible] পুম্নমগী লৈতাফমদা সাহিত্য শইনা থনখিবা অমসুং [illegible] পুথোকপদা নুংঙাইবা [illegible] মরাং কায়বা যাদে। মথংদা রাহু লাকই। [illegible] জন্ম কুণ্ডলীদা ৮ শুবা [illegible]।

১৭ য়েংবিউ; অসিনা প্রমাণি। মরমসিনা মতম সিদা য়েক্রুবা লৈতনা সাহিত্য পরিসদকী সভাপতি ওইনিখিবা, মীযাম্না চপ মাম্না ফুংশিনিবগী মমি তাখিবনি। ওস্তুম মথং লাকপনা [illegible] অস্তরদা চংঙকই, লোয়ননা রাহুগী অন্তরদা শুক্র দশাগী চহী ৭৫ দগী চহী ৭৬। ৪। ২০ নি মনুংদা সাহিত্য ভূষণ উপাধি সি সাহিত্য পরিষদনা পীবিহুনা ইকায খুম্নবা উৎপীখি। মসিগী মতাংসিবু শাস্ত্রদা "বাহোন্তুগে শুক্রে স্নেহো বন্ধুজনৈঃ সহ"। মসিগী তুং রাহুগী অন্তরদা রবি, চন্দ্র চংঙকই। রাহুগী অন্তরদা চন্দ্র চংঙকপা মতাংসি চহী ৭৭ তগী ৭৮। ৮। ২০ নিগী মনুং ওই। মতাংসিদনি সাহিত্য একাডেমী দিল্লীগী মেম্বার ওইখিবা।

ৱাক্তর্ [illegible] চঙ্গা [illegible] দা [illegible]মা যক্না ইরগম্মু [illegible] [illegible] মমদি [illegible]সি উচ্চদা [illegible] লৈনা খোমা থ্বায় পুক্নং [illegible] অহৌইবা পদবী অমসু [illegible] ওইরম্‌। [illegible] লৈ [illegible] Akad [illegible] Awaru "Fellowship" ওপাবী পাবিদুনা মণিপুরগী গভর্ণরনা [illegible] পুক্ক ওইরি। [illegible] ফাঁৱ্রু [illegible] মসিগা চহী মতা সিদা অহল [illegible] ৮ শুবা মকমসিবু ঙ্গানীশিংনা [illegible] থাখনস্তু ভাগপি। মসিগী মৃত্যুমসিদা [illegible] হকায়না, [illegible]না, [illegible] ঈগী [illegible] [illegible] হায়।

হ, [illegible] সিংহগী [illegible] [illegible] চৈত্র ১৮২৬ শকাব্দ নো[illegible]মাই-ডী [illegible]। [illegible] ইবনি। অছুবু নো [illegible]পোক মৈরা ৬১ [illegible] (July-Sept 1988) পেজ ১৭দা ১S [illegible]-১৯০৪ [illegible] [illegible] ইরি। [illegible] নত্তগা ১৭ এপ্রিলদা চৈত্র [illegible] লৌহদুনা লাকই মরমসিনা ২৭ [illegible] ১৮[illegible] শকাব্দদা পোকপনিনা ৯ এপ্রিল ১৯০৫ খৃষ্টাব্দ ওই-[illegible]। Issue সিগী কোপৌসিদদা ১৮[illegible] শকাব্দ [illegible] শুবা [illegible] হ[illegible]বই।

পৃথিবীগী লাইগুম্লবা মীওই খরগী

রাশি চক্র—

শ্রীরামচন্দ্র— মিথুন—কেতু, কর্কট—বৃহস্পতি, চন্দ্র (রাশি) ৮, অমসুং লগ্ন, তুলাদা শনি, ধনুদা রাহু, মকরদা মঙ্গল, মীনদা শুক্র, মেষ, = রবি অমসুং বুধনি ।

বুধাদিত্য যোগ লৈ, উচ্চদা —রবি, বৃহস্পতি, মঙ্গল, শুক্র লৈ । মিত্রদা = শনি, লৈ । নক্ষত্র = চুওশেঙবী (পুস্যা) । দেবগণ অমসুং বিপ্র বর্ণনি । রবি প্রথম মারোক অমসুং শনি দ্বিতীয় মারোক্কি ।

শ্রীকৃষ্ণ = বৃষদা চন্দ্র (রাশি) ৭, লং অমসুং কেতু লৈ । সিংহদা রবি, কন্যাদা বুধ, শনি । তুলা শুক্র, বৃশ্চিকদা— রাহু, মকরদা মঙ্গল, মীনদা বৃহস্পতি লৈ ।

উচ্চদা = চন্দ্র, বুধ, মঙ্গল, লৈ ।

স্বক্ষেত্রদা = বৃহস্পতি, শুক্র, বুধ লৈ ।

নক্ষত্র = অপকপা (রোহিনী) ।

নরগণ, অমসুং শূদ্র বর্ণনি ।

বুধ প্রথম মারোক, বৃহস্পতি দ্বিতীয় মারোক্কি ।

ভগবান বুদ্ধ দেব = মেষতা = বৃহস্পতি, শনি, রবি, শুক্র, মঙ্গল । বৃষ = বুধ । মিথুনদা = রাহু । তুলাদা চন্দ্র (রাশি) । ধনুদা = কেতু । কর্কট লগ্ন ।

শঙ্করাচার্য্য — মেষ = রবি, বুধ । বৃষ = শুক্র । মিথুন — চন্দ্র (রাশি) । কর্কট — বৃহস্পতি অমসুং লগ্ন ।

বৃশ্চিক = কেতু অমসুং শনি। মকরদা = মঙ্গল। বুধাদিত্য যোগ লৈ। নরগণ। বৈশ্যবর্ণ।

উচ্চদা = রবি, বৃহস্পতি, মঙ্গল।

স্বক্ষেত্রদা = শুক্র। নক্ষত্র = আর্দ্রা (লিক্লা শাফবা)।

★যীশু খ্রীষ্ট :— বৃষ = কেতু। বৃশ্চিক = রাহু অমসুং শুক্র ধনু = রবি, বুধ। কুম্ভ = মঙ্গল। মীন = চন্দ্র (রাশি) বৃহস্পতি অমসুং শনি। মেষ লগ্ন।

গুরু নানক :— বৃষ = শনি চন্দ্র (রাশি)। মিথুন = কেতু। কন্যা - বৃহস্পতি। তুলা — শুক্র। বৃশ্চিক — রবি, বুধ, মঙ্গল। ধনু — রাহু। সিংহ লগ্ন। নক্ষত্র — থোঙাচাওবী (কৃত্তিকা)। উচ্চদা চন্দ্র। মিত্রদা শনি, রবি, লৈ।

স্বক্ষেত্রদা — শুক্র, মঙ্গল লৈ।

বুধ প্রথম মারোক অমসুং বৃহস্পতি দ্বিতীয় মারোক্নি।

দেবারিগণ অমসুং শত্রু বর্ণনি।

সম্রাট আকবর : — মিথুন — চন্দ্র (রাশি)। সিংহ = কেতু।

তুলাদা — বৃহস্পতি, শুক্র, শনি অমসুং লগ্ন।

বৃশ্চিক — রবি। ধনুদা - বুধ। মকরদা — মঙ্গল।

কুম্ভদা — রাহুনি। নক্ষত্র — লীক্লা শাফবা (আর্দ্রা)।

মঙ্গল প্রথম মারোক, শুক্র দ্বিতীয় মারোক্নি।

নরগণ, বৈশ্য বর্ণ।

উচ্চদা — শনি, মঙ্গল স্বক্ষেত্রদা — শুক্র লৈ।

মিত্রদা — শনি, রবি।

নেপোলিয়ান বোনাপার্ট :— বৃষ — রাহু। মিথুন—শুক্র।
কর্কট = শনি, বুধ। সিংহ = রবি অমসুং মঙ্গল।
তুলাদা = বৃহস্পতি অমসুং লগ্ন। বৃশ্চিক = কেতু।
মকর = চন্দ্র (রাশি)। নক্ষত্র = থাতোন (উত্তরাষাঢ়া)
নরগণ, শূদ্র বর্ণ।

মঙ্গল প্রথম মারোক শুক্র দ্বিতীয় মারোক্রি।

মহারাণী ভিক্টোরিয়া :— মেষ = বুধ, শুক্র। বৃষ = রবি অমসুং চন্দ্র (রাশি) লগ্ন। কন্যা = কেতু। কুম্ভ = বৃহস্পতি। মীন = মঙ্গল, শনি, রাহু। নক্ষত্র = অপকপা (রোহিনী) নরগণ, শূদ্র বর্ণ। বুধ প্রথম মারোক; বৃহস্পতি দ্বিতীয় মারোক।
উচ্চদা = কেতু, চন্দ্র, শনি।

মিত্রদা = মঙ্গল।

★মহাপ্রভু :— মেষ = শুক্র, সিংহ চন্দ্র ১১ অমসুং কেতু লগ্ন, বৃশ্চিক শনি, ধনুদা বৃহস্পতি, মকর মঙ্গল, কুম্ভদা রাহু, রবি অমসুং মীনদা বুধ লৈ।

রাশি — সিংহ, লগ্ন সিংহ, নক্ষত্র [illegible] (পূর্বফাল্গুনী)।
উচ্চ = মঙ্গল, স্বক্ষেত্রদা — বৃহস্পতি।

বুধ প্রথম মারোক, বৃহস্পতি দ্বিতীয় মারোক।

নরগণ ক্ষত্রিয় বর্ণ।

★রামকৃষ্ণ পরমহংসদেব :— বৃষদা রাহু, মিথুনদা বৃহস্পতি, তুলা শনি, বৃশ্চিকতা কেতু, মকরদা মঙ্গল, কুম্ভদা রবি অমসুং বুধ অমসুং চন্দ্র ২৫; মীনদা শুক্র লৈ। লগ্নসু মকরদা লৈ
রাশি — কুম্ভনি। থরানিচাক থরাশিংহং (পূর্বভাদ্রপদ)।

বুধাদিত্য যোগ লৈ।

উচ্চদা = শনি, মঙ্গল ওই।

মিত্রদা = শনি, বুধ লৈ।

★ঈশ্বরচন্দ্র বিদ্যাসাগর :— বৃষদা চন্দ্র (রাশি) ও, কর্কটতা শুক্র, কন্যাদা রবি, বুধ, কেতু; কুম্ভদা বৃহস্পতি, মীনদা শনি অমসুং রাহু, ধনুদা লগ্ন।

বৃষ = রাশি, ধনু লগ্ন। নক্ষত্র = খোঙচোংনুপী (কৃত্তিকা)।

উচ্চদা চন্দ্র, বুধ, কেতু, নি। বুধাদিত্য যোগ লৈ।

স্বক্ষেত্রদা — বুধনি। কেন্দ্রদা = শনি, রাহু, রবি, বুধ, কেতু লৈ। শনি প্রথম অমসুং চন্দ্র দ্বিতীয় মারোক্নি।

শুভ্র বর্ণ অমসুং দেবারি গণনি।

★বঙ্কিমচন্দ্র চট্টোপধ্যায় :—বৃষদা শুক্র অমসুং মঙ্গল, মিথুনদা বুধ, রবি। সিংহদা চন্দ্র (রাশি) বৃহস্পতি, কন্যাদা কেতু। বৃশ্চিকতা শনি, মীনদা রাহু। মকর লগ্ন। সিংহ রাশি। বুধাদিত্য যোগ লৈ।

উচ্চদা = কেতু। শনি প্রথম মরোক অমসুং রবি দ্বিতীয় মরোক্নি।

★ডঃ এনিবেশান্ত : — মেষদা মঙ্গল, মিথুনদা বৃহস্পতি অমসুং চন্দ্র ৭। কন্যাদা রবি, বুধ, রাহু, শুক্র। কুম্ভদা শনি, মীনদা কেতু লং। বুধাদিত্য যোগ লৈ। রাশি = মিথুন। লগ্ন মীন, নক্ষত্র — চীংচরোই (পুনর্বসু)।

উচ্চদা — বুধ লৈ। রবি মিত্রদা লৈ। স্বক্ষেত্রদা — বুধ, শনি, মঙ্গল।

কেন্দ্রদা — কেতু, বৃহস্পতি, চন্দ্র, রবি, বুধ, রাহু, শুক্র লৈ।

বৈশ্যবর্ণ, দেবগণ। মঙ্গল প্রথম অমসুং শুক্র দ্বিতীয় মারোক্কি।

★কবিগুরু রবীন্দ্রনাথ ঠাকুর :— মেষদা রবি, বুধ, শুক্র। মিথুনদা মঙ্গল, কেতু। কর্কটতা বৃহস্পতি। সিংহদা শনি। ধনুদা রাহু, মীনদা চন্দ্র। রাশি অমসুং লগ্নদি মীননি। বুধাদিত্য যোগ লৈ। নক্ষত্র রায়াথৱো (রেবতী)। বিপ্রবর্ণ অমসুং দেবগণ। উচ্চদা — রবি অমসুং বৃহস্পতি।

কেন্দ্রদা — চন্দ্র, মঙ্গল, কেতু, রাহু লৈ। মঙ্গল প্রথম শুক্র দ্বিতীয় মারোক।

★মহাত্মা গান্ধী :— বৃষদা বৃহস্পতি। কর্কটতা রাহু, সিংহদা চন্দ্র ১০। কন্যাদা রবি, তুলাদা মঙ্গল, বুধ, শুক্র, লং। বৃশ্চিকতা শনি মকরদা কেতু লৈ।

রাশি — সিংহ। লগ্ন তুলা। নক্ষত্রদি — নিংথৌকাবেন (মঘা)। দেবারিগণ, ক্ষত্রিয় বর্ণ।

উচ্চদা — রাহু। মিত্রদা — চন্দ্র রবি বুধ, লৈ।

কেন্দ্রদা — মঙ্গল, বুধ, শুক্র, কেতু, রাহু লৈ।

মঙ্গল প্রথম অমসুং শুক্র দ্বিতীয় মারোক শৌনি।

★নেতাজী সুভাষচন্দ্র বসু :— বৃষদা মঙ্গল, কর্কট কেতু, সিংহদা বৃহস্পতি, কন্যাদা চন্দ্র। বৃশ্চিকতা শনি, মকরদা রবি বুধ রাহু। কুম্ভদা শুক্রনি।

লগ্নদি — মেষনি। রাশিদি — কন্যা। নক্ষত্রদি — থাম্মুপীচা (উত্তর ফাল্গুনি)। নরগণ অমসুং শূদ্র বর্ণনি। কেন্দ্রদা কেতু, রবি, বুধ, কেতু লৈ। শুক্র প্রথম অমসুং মঙ্গল দ্বিতীয় মারোক্কি।

★ বার্ণার্ডশো — বৃষ লগ্ন অমসুং চন্দ্র (রাশি)। মিথুনদা — বুধ শনি। কর্কট রবি শুক্র। কন্যাদা কেতু, তুলাদা মঙ্গল। মীনদা রাহু অমসুং বৃহস্পতিনি।

উচ্চদা কেতু অমসুং চন্দ্রনি। কেন্দ্রদা চন্দ্র, লৈ।

বুধ প্রথম অমসুং বৃহস্পতি দ্বিতীয় মারোক গ্রহনি।

★আইনষ্টাইন — মিথুন লগ্ন, কর্কটতা কেতু। বৃশ্চিক চন্দ্র (রাশি)। মকরদা মঙ্গল, রাহু। কুম্ভদা বৃহস্পতি, মীনদা শুক্র শনি, রবি অমসুং বুধনি। বুধাদিত্য যোগ লৈ।

কেন্দ্রদা — রবি, বুধ, শুক্র, শনি লৈ।

উচ্চদা — শুক্র মঙ্গল লৈ।

চন্দ্র প্রথম অমসুং শুক্র দ্বিতীয় মারোক গ্রহনি।

★হিটলার :— মেষ — শুক্র, রবি, মঙ্গল, বুধ। মিথুন রাহু। কর্কট শনি। তুলাদা লগ্ন, ধনুদা চন্দ্র বৃহস্পতি কেতু লৈ।

মঙ্গল প্রথম অমসুং শুক্র দ্বিতীয় মারোক্কি।

রাশিনি ধনুনি, লগ্ননা তুলা।

বুধাদিত্য যোগ লৈ।

উচ্চদা — রবি, রাহু কেতু, লৈ।

কেন্দ্রদা — রবি, মঙ্গল, বুধ, শুক্র শনি লৈ।

—: লোইরবা :—

★ লাইরিকসি পুথোকপদা মতেং লৌখিবা লাইরিকশিং—

১। ডাইরেক্টরী পঞ্জিকা— (P. M. Bagchi)

২। ৺নিংথৌখোংজম্ শরৎচন্দ্র সিংহগী পুংই লাইরিক।

৩। জ্যোতীষ ও প্রশ্নবিজ্ঞান্ — শ্রীহৃষীকেশ শাস্ত্রী।

৪। হস্তরেখা দর্পন— শ্রী সুরেন্দ্র নাথ ভট্টাচার্য্য।

৫। খেন্‌চঙ লোন্ — মৈরাম তম্ফাজাউ।

৬। অপুবা জ্যোতীষ চিন্তামণি— হুইদ্রোম নীলবীর সিংহ।

৭। জ্যোতীর্বিজ্ঞান রহস্য— পণ্ডিত রাজ অতোম্বাপু শর্মা।

৮। পণ্ডিতরাজ অতোম্বাপু শর্মাগী অতৈ অতৈ লাইরিক খরা।

৯। মিকুপ লৌথোক লৌশিন— শীতল চন্দ্র।

১০। জ্যোতীষ কল্পদ্রুম্— শ্রী শশধর বাচস্পতি।

★ অইবগী পুথোকপুবা লাইরিকশিং—

১। রারীগী রারী (রারীমচা) — ১৯৮৪ইং।

২। নিংথায়বিগদৌরবা ভোর্জানগী শকুম (রারীমচা)
১৯৮৬ইং

৩। হীরোবা চৎপুবদা ডিরেক্টরনা শিপুবদা (Short best play—1986)— ১৯৮৮ইং।

★ প্রেসতা লৈরিবা

১। ঈথৌজাললেবী মুতাক (best script & best short play — 1988)

২। লৈরাং ওলাখা গুনাগী ঈচেলশা— (রারী মচা)